দ্রব্যগুণ

([illegible])



ইকবা —

শ্রীপুষ্পবন বেথা সিংহ

মণিপুর ষ্টেট কলা একাডেমীগী মতেংদা থোরকপা

দ্রব্যগুণ

ইরবা :-

[illegible]



মমল রুপী ৮.০০

অশোইবা :—

অহৈবা মশা।



নমখল—মণিপুর শাস্ত্র প্রেস, সিংজমৈ, ইম্ফাল।

[illegible]


তাইবংদু অৱাং-অনা কোকনীরকপ
লৌজাওনু লেতুমখ হৈবা ইথুংঙদু
তাইবংগী লৌশিং মৈবা খোকথোকলগা
অচৎ-চত্ত লেওলি-পালিবা
পুমনকম ইবুংঙো নহাক্না ওইবনি
তাইবংপান্দা শিন-পুংনা লৈরিবা
মৈ-ঈশিং, নুংশিং, নোংথাং
কোকৌ, মালেম, নুমিৎ, থা,
থবাম্পিচাক, শজিক, থবা, ওকপুরোম
অপাল-অরং থাবনা লৈরিবা
ইবুংঙো নহাকী লোংদমনি।
পুক্ক-মমা অহিং-ঈচিক তান্নিবা
তাইবং ঈহলনু ইবুংঙো নহাক্তি
অঙানবা হায়নাং থীয়রিবম নহাকনি
তাইবং থরাপ লোংদম্লিবা
তাকপি হৈবা ইবুংঙো নহাক্তি।
[illegible] পুবা থবালকা
ইরি-বাবী হৈবাং। লৈবাংগী
শিজেল, লৈবাক শাবেং ওইনা
[illegible] কে লৌজাল হৈবা ॥

[illegible]

"অনাতন" কাজবা অসি তাঙ্গিনী চুপ্না লৌরকপা [illegible] [illegible]শিংগী মরুপ্না [illegible] থজবা কাংবা লাইরিক [illegible] লৌতক্লম্লা হৌখোকচবনি, মরমদুইবনি ঐখোয়না মাখা [illegible] অসি হৈদৌ লৌরম্লি। লোন খুদিংমক হৈবোরোম্বা [illegible] [illegible] মরম্না হৈরকে। মসি মাইবশিংগী মখক্তা মায়া [illegible] [illegible]। মণিপুরগী মাইবরোল পুরাণগী উবী পুকাংবা [illegible] অমম্ন য়াওরি। মসি লৌতিক ঐখোয়গী মণিপুর আয়ুর্বেদ নিরাকরণদা থাবরিবা পোৎ অমাবনি হিরাক ভইদুনা শীজিন্নরি। পোৎশিং অসি মণিপুরগা মরাং কায়না কংই অমসুং ভারতকী মরক খুদিংমম্না থাবিবা ঙম্না য়াওরি। পোৎকী মমিং ইবা মতমদা পণ্ডিত-পণ্ডিতশিংগী মতম্ন মমিংদা থর্ব-থম্বা থেমবকই। অদুমওইনমক পোৎশিং অসি ঐখোয়না ইউং-ভরনা শীজিন্নরবা ঙাক্তনি। চাংবেংদা মরাং শাকচবা কংলবনি। অদুগা পুখোকচরিবসিদা অখোক-অমাং অয়াব-অহুই য়াওরবা থোক্লমম্না মখংগী খুৎলবদা চুমখোক-ত্রবনি।

অরোইবদা পাঙলিংবদি লাইরিক অসি নবগী মতাংদা অকাদেমীগী মতেংনা পাংখোকচবনি। মসিগীদমক একাদেমীগী অধিকারীশিংবু য়ামা য়াম্না থাগৎচরি।

কবিরাজ :—
শ্রীপুরম্বম লেমা সিংহ
আয়ুর্বেদ ভূষণ, হরিবেদ বিশারদ আয়ুর্বেদ আচার্য
মণিপুর আয়ুর্বেদিক সম্মেলন প্রেসিডেন্ট।



কবিরাজ শ্রীপুখ্রম্বম মেরা সিংহ।

স্মাওক্কম তাকপা

দ্রব্যগুণ

তুলসীগী মমিং শব্দোক্তা তাকপা

সংস্কৃত :— তুলসী, সুরসা, গ্রাম্যা, সুলভা, বহুমঞ্জরী, অপেতরাক্ষসী, গৌরী, শূলঘ্নী, দেবদুন্দুভী, বৈষ্ণবী, বৃন্দা, সুগন্ধ, গন্ধহারিনী, অমৃতা, পত্রপুষ্প, পবিত্র, সুরবল্লরী, সুভগা, তীব্রা, পাবনী, বিষ্ণুবল্লভা, সুরেজ্যা, বহুপত্রী, মঞ্জরী, হরিপ্রীয়া, মাধবী, দৈত্যঘ্নী, পাপঘ্নী, লক্ষী, কৃষ্ণবল্লভা, বিষ্ণুবল্লভা, ভূতঘ্নী, কুঠেরক, সুবহা, সুরবল্লভী, মাধবী, পূণ্যাসুরদুন্দুভী, শ্যামা, ত্রিদশ, মঞ্জরী, ভূতপত্রী, শ্রী, যশস্বিণী ধর্ম্মা, দেবী, রামা, দৈরমন-প্রিয়া, প্রিয়সখী, মলাশ্রেষ্ঠা, অচলা, ধর্ম্মাননা কায়স্থা, পর্ণাস, কাঠিঞ্জর, রম্যা, স্বাদুগন্ধচ্ছদা, ভূতেষ্টা, ভুতপ্রিয়া, তীব্রা, সবলা॥

হিন্দী :— তুলসী, তুলস, বৃন্দা, বিন্দরাবনী, ররগু়া, কালী-তুলসী, সফেদতুলসী, রামতুলসী, তুলসী, হরীচন্দন।

ইংলিস :— Holy Basil, White Basil, Purple Basil, Purpel skakd Basil, Sacred Basil, Monk's Basil, Rough Basil.

লেটিন :— Ocimum Sanctum, Ocimum-Dilosum, Ocimum Album, Labiatae.

ফ্রান্স :— Basilic saint.

জর্ম্মন :— Basilien kraut.

মেরা থাদা তুলসী উজরবা, শোকচরবা, নিঙশিংজরবা, পূজা তৌজরবা, তুলসীবু ঈশিং চাইজরবা, পাপ পুন্নমক কোকই। থণবী লিশিং ১০ দান তৌবগা, মেরা থাদা তুলসী মনা দান তৌবগা চপ মান্নৈ। তুলসীদনা লায়না খুদিংমক কহল্লি অমদি লায়েংবা য়াই। অশেংনা তুলসীগী মরমদা কোঙবা তাররদি পেজ ১০০ মুক পানবা লাইরিক অমা ওইনা কোঙবা য়াই।

মণিপুরদা তুলসী মথল ৪ কংই মচুদি:—(১) তুলসী অঙৌবা, (২) তুলসী অমুবা, (৩) রাম-তুলসী, (৪) বন-তুলসী হায়বা জাৎ মরিসি লৈ॥

তুলসীগী মগুণ:— শাই, খাতক তৌবা রস য়াওই; থস্মোয়দা কান্নৈ, হকচাংদা চাকপা, শাবা পোকহল্লি, মৈ (পিত্ত) পোকহল্লি অমসুং লায়থুং কোকহল্লি, ঈশিং লীকপা, ঈ-শেংদবা কহল্লি অমদি লোক অমসুং মুংশিংপু মাঙহল্লি। তুলসী অমুবা অমসুং অঙৌবা মগুণ চপ মান্নৈ।

রাম তুলসীগী মগুণ:— শাই, কংই (রক্ষ ওই) থোপ কহল্লি। থস্মোয়, ফিরাক অমসুং চাকবাওগী মপাঙ্গল কলহল্লি। চাবা তুমহল্লি, হকচাং পোমথোকপা কহল্লি।

বন তুলসীগী মগুণ:— শাতক-খাতক তৌই, মনম মুংশি, চানীংবা পোকহল্লি, মৈ কলহল্লি, থস্মোয়দা কান্নৈ, য়াংই, পিত্ত পোকই, কংই, লোক অমসুং মুংশিং মাঙহল্লি, মিৎ নাবা, ঈ কত্তবা, চাকপা, তীল লৈবা, হূগী দোষ, ফুরি, ওবা, লাইথুং

অমসুং লাইহৌ কহল্লি, মাওহল্লি। অত্তাং পোকপদা মুংশাইহল্লি। বন-তুলসী অসি য়েনশাংদা থাজুনা চাবদা মমম সুংশিহল্লি অমসুং রস পোকহল্লি।

তুলসীগী কান্নবা:— তুলসী অত্তৌবা অমসুং অমুবা অসি গুণদা মান্নবনা শীজিন্নবদসু অক্সানি অদুবু কনাগুম্বা মাইবা বৈদ্যশিংনা তোত্তান-তোত্তানবা মওংদসু শীজিন্নৈ।

১। তুলসী মনাগী মহী চামচ অমা, শিং মহী চামচ অমা, পনামনা মহী চামচ তংখাই অমা অমসুং খোইহি চামচ তংখাই অমগা তিন্নরগা থকপা, চাং অমুক থকপদা চা চামচ অনি লোংমদা অহুমলক, মসিনা মুংশিং অশাবা কাবা অমসুং লোক-থুলাই কহল্লি। লোংপাল কুপহল্লগা ময়া নাবদা তুলসী মহীগা খোয়্নবদি থুদক্তা ময়া চীকপা কৈ।

২। লাইহৌ তৌবদা পাখংলবদি চিনি অত্তৌবগা অমসুং তুলসী মনা মহীগা পীথক্লগা কৈ।

৩। তুলসী মনা মহী তোলা অমা, শিং মহী তোলা খাই অমগা তিন্নরগা মসিনা মাত্রা ওইজুনা থকপা লোংমদা অহুমলক থকপা অকম-লাইহৌ কহল্লি।

৪। তুলসী মনা ১০ অমসুং গুণ-মোরোক (কালীমির্চ) মরু ১০ পুম্না শান্নহুনা চান্নবদি অকম-লাইহৌ (মেলেরিয়া) তৌবা ঙমদে, চাবদি সুভিগী চাগদবনি।

৫। তুলসীগী পঞ্চাঙ্গ (মরা + মশা + মকু + মনা + মপাল) অমসুং গুণ-মরুগা কূপ্না ভরুগা মকুপ অহু চামচ অমরোম

চারগা ঈশিং অশাবা থকপা, মসিনা মৈ শোনবা অমসুং পুক্তী অনাবা কয়ামুক কহনবা ঙমই।

৬। তুলসী মনাগী মহী গ্রাম ১৩ অমা, এলাইচী মচাগী মকুপ গ্রেন ১০গা তিন্নরগা থকপা, ওবা মথল খুদিংমক কহনবা ঙমই।

৭। তুলসী অমুবগী মনাগী মহী চামচ অমা, খোইহি চামচ ভংখাই অমগা তিন্নরগা থক্রবদি তীল ফৌবা অমসুং ওনিংবা কহল্লি। অঙাংদা চামচ ভংখাই অমদগী চামচ মশুং কাওবা পীথকনি।

৮। রামতুলসী মহীনে অমসুং চম্প্রা মহীনে চাং মান্ননা লৌরগা মদুদা থাউনম্ মরুগী মকুপকা তিন্নরগা তৈরবদি ঊনশাগী অনাবা লাইকোই, কি-লাইকোই অমসুং ফুরি-নচিংবা কহল্লি।

৯। পুক কংখৎপদা রামতুলসী মনাগী মহীগা সামর থুমগা তিন্নরগা থকপা কৈ।

১০। রাম তুলসী মনাগী মহী সুতিগী অনিরক থক্রবদি অমসুং তৈরবদি কিরাক, পৈ নাবা অমদি সুংশং কহল্লি।

১১। রামতুলসী মনা চহি অমা চারবদি লাইথুং (কুষ্ঠ) নচিংবদা কান্নৈ।

১২। তুলসী অভৌবা মঞ্জরীদগী থাউ লৌরগা, লোকী শ্রাইদগী হেন্না ফবা হিদাক অমা ওইনা পৃথিবী পুম্বনা শীজিন্নৈ। মঞ্জরীদগী লৌবা থাউ অসি মমলসু যাম্না তাঙই।

তুলসী অঙৌবা অসি থাওনা শোকপদা শুগাইরগা থোয়বসু ঈ থককনবা ঙমই। পৃথিবীগী ষ্টেট খুদিংমক্তা তুলসীগী মশক মগুণ থওনা শীজিন্নৈ।

তুলসীগী তেক্সাষ্টি—ময়াংবা

১৩। ময়াংবা মশা থেক্তুনা থম্বা তুমিৎ ইনবা কৈ। চারগা পাঙ্গল কলহল্লি অমসুং লোক খুবদা কহল্লি।

১৪। ময়াংবা মক অহু ঈশিংদা ভীংলগা মহীতু মিশ্রিগা থক্লবদি ঈশিং লীকপা কৈ অমসুং ঋতুগী (বীর্য্যগী) অনাবা কহল্লি।

১৫। ময়াংবা মনা অহু য়াম্না মুম্না কুন্তুনা নঙনা লৌরগা মহু থক্লবদি পুকুথিনবা কহল্লি, চাং চামচ অহুম থকনি।

১৬। ময়াংবা মনা গ্রেন ৬০ (গ্রাম ১) শুণমক্ত ৭কা ঈশিং খরদা তল্লগা চারবদি মৈ শোনবা—চাবা তুমদবা লায়না কৈ॥

"কেক্রু"

মৈতৈলোল :— কেক্রু।

হিন্দী :— রিটা, রোহেড়া।

ইংলিস :— Soapnut or Amoora Robituka

কেক্রুগী মগুণ:— (১) অশংবা হৈজীং কারবা কেক্রু মক (মহৈ) অঙৌবগী মকুপ গ্রেন ৪, খোইহি থজিত্তং হাপ্লগা পীজ্ঞরবদি লিম্না চীকপদা কৈ। নোংমদা ২/৩ পীজগদবনি। কোলেরা, থী কায়বা, পুক নাবা, পুক্লিংগী অনাবা, ঈ-শাবৈ অসিনচিংবা কৈ।

(২) তৈবগী কান্নবা :— লিন্না চীকপা, ৬ক পোবা-নাবা, খোনাও নাবা, তোনসিন্না নাবনচিংবদা মতোং মকুপ, স্পিরিটকা য়াল্লগা তৈবা কৈ।

(৩) বাহুবদা কান্নবা :— মথক্তা হান্নগ্রিবা মকুপ অসি ঈশিংদা চোংলগা মহী খজিক্তং নাতোন্দা (মমুং) তৈরবদি বাম্বুবা কৈ।

(৪) চিনি অঙোবা লৌবগী নিয়ম :—চিনি কিলো ১০গী মমুংদা ঈশিং কিলো ১৫ হাপচনবা, ঈশিং কিলো ৫দা কেক্রু কিলো ½ তিন্নরিবা মওং অসিদা কোঙ্গোল থোক্না নোইরগা কোঙ্গোল লৌবা, হান্নগী কিলো ১৫দা কোঙ্গোল অসি কম্‌জিল্লগা চিনি তুম্বা কাওবা মৈদা লোন্নগা, লোল্লিতৈদা শোগৎলকপা কোঙ্গোল অহু থাবৈনা লৌথোক্লবদি চিনি অহুনা মতম কুইনা থম্লগা নঙশীল্লকপগী মতুংদা অঙোবা চিনি ওই-রকনি। মপুং কানা ঙোবা রাংকনি। মচুদি গেরুবা মচু মানগনি। থায়নগী মৈতৈ অমম্বুং তারক্তকী মফম খুদিংদসু অম্বম্বা কেক্রু Refine তৌনৈ। চিনি অসি শীজিন্নবদা অকান্নবা লৈতে। মরূওইনা অঙাংগী তৌলগী শীজিন্নবদা য়াম্না কানৈ। চিনি অঙোবা কংগ্রবসু চাদা অমম্বুং অতৈ অতোপ্পদা শীজিন্নবদা General ওইবা চিনি অঙোবগা মগুণ চপমানৈ।

N. B. কেক্রু হেন্না চানবদি ওরকনি। হেন্না চাবা য়াদে। কেক্রু মকুপ হেন্না শীজিন্নরবদি ত্রিদোষ নাশহল্লি। অঙাংসু পোকহন্দে, গর্ভ লৈবনা চাবা য়াদে।

কেক্রু পাম্বী মখল অমি গুই :—(১) মণিপুরদা ময়াম্না খঙনবা অমা, (২) মণিপুরদা পঙউ উদে। উ-মউ চাউই, শাংতক কোইতক তৌই। মসিবু "রাজনি খণ্ডু" লাইরিক্তা "Safindus Mukoressi" হায়না হায়রি॥ শারৈদা কেক্রু মতোং ঈশিংদা গ্রেন ৪ সং হাপ্লগা পীথক্লবদি খুদক্তা শারৈ হৌবা লেপ্লী। কেক্রু মকু কোঙ্গোল য়াম্না লৌরগা রুমাল অমা খুপলগা কোঙ্গোল অহু লৌরগা লুপশিল্লগা) অহিং অমা "হকচাং খোঙদা" (খোঙদা) কুপশিন্দুনা থম্নবদি অঙাং পোকপদা অরাবা নংদনা অঙাং খোরকই হায়বদি অঙাং তারকই। কয়িগুম্বা হু চারুবা মীদা কেক্রু মকগী মকুপ গ্রেন ৬তং নৈখাইরগা পীথক্লবদি "হু" ওখোরকই। কেক্রু অসি মৈতৈগী ইপা-ইপুশিংনা অঙাং য়াং চিংলবদা কোঙ্গোল লৌরগা লরাইদা অমসুং য়াংলেন্দা খোম্বা অমসুং তৈরবদি য়াং চিংবা কৈ। থায়নগী অহলশিংনসু কোঙ্গোল লৌরগা ঈশিং অপাবদা লোরগা মুগা শামতু মচু শুনৈ। কেক্রু মরুসিনা কুমগী কাং শাম্নবদা কাংখিন ওইনৈ। মৈতৈগী অরিবা পুম্না মাইবলোন্দা অঙাং পোক্লবা লেম্বা হিদাকশু হিদাক ওইনা শীজিনৈ। কেক্রু মরু পাউদর তাবগী মরম অসি মপুংগী শরূক অহুমক শীজিন্নপদবনি।

"লম্বাম্বা"

মৈতৈলোল :— শাম্বা।

হিন্দী :— অরলু টেঁঠ, সোনা-পাঠা।

ইংলিস :— Indian doxwlum.

মঙুপ :— ফকই, খাত, কক মাঙহল্লি, চীকপা-খোৎপা কহল্লি। ডাইরিয়া, ডিসেন্টরি মাঙহল্লি।

১। শাম্বগী মকু অফুৎপনা চীকপা মফমদা তৈবা কৈ। থূৎ-তাং পোম্বথৎপদা তৈবত্ন কৈ। নোংমদা ২/৩ লক তৈগদবনি

২। মকুগী মবূপ পাউদর লৌরগা গ্রেন ৫দগী ১৫ কাওবা ঈশিং ম্নাউম অমগা নোংমদা ২/৩ লক চারবদি হক-চাংদা চিকপা-খোৎপা লৈহন্দে।

৩। মকু গ্রাম ১১দা ঈশিং আউন্স ১৯দা ফূৎলগা লেম-হৌবা আউন্স অঙমদং লৌরগা নোংমদা অহুমলক থক্লবদি চীকপা-খোৎপা, মুংশিংকী লায়না মাঙহল্লি।

৪। মৈতৈনা শাম্বা অসি "তুবী লাইরেন চাগোক্পী' হায়না খঙনৈ। মহাকী মরু (মহৈ) অসি চাক-চাফমদা য়াল্লগা হন্না য়েংখৎপদা থগোকপা কহল্লি। ঈশিংদা লূল্লগা (মহৈ) থকপদন্ত্র থগোকপা কহল্লি।

৫। ঈশিং পুকচৎপদত্র শাম্বা মকু তীংলগা থকপদা ঈশিং চৎপা কৈ। ঈশিং পুকচৎপদা হায়নিংঙাই লৈতনা কহল্লি।

ব্যাখ্যা :—

"তুবী লাইরেন চাগোকপি"

লাইরেম্বী লৈহ্নানা মপা মশক থঙবা লাকপদা খোইমূম কৌক্ৰগী লোইবী চীংদোন্দা খোইমূম কৌক্রমক্লা ভৌবা মচীন মঙা কাংবা ঈন্নিক খোংগী লাইজ ঈরোম্ংদা লাইজ ঈপাক

লাংবা কুমথক্লবদা পাখংবগী পিবুক্লংদা লৈস্নাগী খুবোম মতা কবা উক্লবদা খোইদাক্লতুনা শরেং ওইনা শাইয়োল তৌজুনা চীক্লরে। লাইজ ঈপাকথক্তা লৈস্না ঈঙাও পাক্তক্লরে, ঈমু পামকেমরে। লৈস্নানা ঈকংথক্তা চোংথৎতুনা পাখংবদা অস্নম্না শাপ তৌখি, "খোইমূব লৌনম্না কনানো? ঙসি কোয়ৌসিদা নঙস্থ এনা ঈঙাও পাক্তক্লবগুম্না নহাক্তী শলাইগী মমুংচনবা কনানা লাইজ-ঈপাকথক্তা এনা অয়াবা তাবগুম ঈঙাও পাক্তক্লরো, ঈমু পাম-কেমরো।

শাইয়োল তম্না খোংথুম ওইরম্লবদি শাইয়োল তৌবনি হায়বদুস্ম মরক মরক্তা কাডিবা ওইমু হায়বা তেংথা-নাওইদুনা কৌক্র পম্বোবু কৌদুনা কম্লক্লে। কৌক্রনা মথক্তা থাঙলেন পায়দুনা চোংথোরক্লে। ইমোম্বু ঈঙাও পাক্তক্লহনবা, ঈমু পামকেমহনবা কক্লিমুংগীনো? পাখংবনা খুমকই, নচাগী কদবা চেংলৌ উক্লবদা সুংশি খোইদাক্লতুনা চীক্লবনি। পাখংবগী বাহৈ তাবদা কৌক্রনা লৈস্নাবু পাখংবগা থুজেং পালোইনহন্দুনো শিমক্রে। কৌক্রনা পাখংবগী চেংলৌ য়েংলগা কোলোয় থিং-লেম্লগা হন্দমুক্তী চৌংঙুগী লাংঙোম্দি শংলৈতোন পাখংবা হায়না কোলোয়রগে। চৌংঙুগী গ্রামেল উশা অসিনা পামেল "ঙ" ওইনা লৌরসম্বু। কোলোয়দি শাম্বা হায়না কোলোয়রম্নগে। তাইবঙ চাবোল পুরোল কাওবদা কাউন-পৈ লাক্না লৈথৌরগনু। কৌক্রনা অসি হায়রম্লগা থাঙক্রে। মরম অসিনা মৈতৈনা "কুমী লাইরেল" চাগোক ওইবনি।

পাথংবনা লাইরেল ওইনম্ব ওল্লি, শরেং ওইনম্ব শাইয়োল তম্মী, শাম্বা ওইনম্ব শাইয়োল তমথি। মরম অসিনা মৈতৈনা থাজনরি। মসি পাথংবগী শাইয়োল ভাক্তনিনা চেকশিন্নবা লায়রবম্ব য়াই, শরেংদি ময়াংলেন ভাউবা শরেংনি। শাম্বা মকুগী অকংবা মকুপকা, হৈবোং অকংবা মকুগী মকূপকা অনি অসি চাং মায়হল্লগা গ্রেন ১০/২০ অসি নোংমদা অহুমলক চাথবদি ঊশিং পূকচৎপদা ইরায় লায়না থাথার অমদা করল্লি। মৈতৈগী অমাইবশিংনা চদি কয়ামুক্তগী শীজিন্নরকপা হৌদারি।

"চীংথ্রাও"

মৈতৈলোল :— চীংথ্রাও।

হিন্দী :— কাননে, কাচাঁনার।

ইংলিস :— Fauhinia variegata.

মগুণ :— ফকই, পাঙ্গল পী, মিৎ-নাবা কৈ। চাক্ৎপা কৈ, থৌরী চাউথৎপদা শীজিন্নৈ। কাচাঁনার গু-গুণ কৌবা গুলি শেল্লগা ভকশম চাউথৎপা হৌদাকীদমক য়োমৈ।

(১) মপাল-ময়া, মকূপ তাংল্লগা অপোম্বা মকমদা থোম্বা, ঊশিং অশাবনা তপ-তপ তাংল্লগা থোয়্নবদি নায় চাংল্লি।

(২) মপাল কুংলগা পীথকপা লোক-ঈ-তাবা, ঈ-ওবদা, মুংশংদা, ঈ-কায়বদা, মুপীগী থা কেয়া চৎপা, ঈ-লাথবদা কহল্লি।

(৩) মরূ (লৈপাক মমুংদা লৈবা) গ্রাম ১২, ঊশিংনা আউন্স ১০ দা ফুৎপনা আউন্স অহুমদং লৌরগা নোংমদা

অনিরক অহুমলক পীথক্রবদি (সুপীগী) থাগী ঈ-চিক্রেৎ-চিকেৎ চৎপদা থকহল্লি। ঈ হাথবদসু কহল্লি, সুপীগী উমৃসু শেংদোকহল্লি।

(৪) মরূ (মহৈ) ফুৎপগী মহি অদু খোঙ চিক্যেৎ-চিকেৎ হাম্বা অনৌবা, অরিবা, ঈ-য়াওবগী খোঙহামবদসু করবা হিদাক্নি।

"অক্রেড়া অকৌম্বা"

মৈতৈলোল :– উ-নৈবাক-হন্নাই।

হিন্দী :– বহেড়া। বাঙ্গালী :— বয়ড়া।

ইংলিস :— Beleric Myrobalan.

মগুণ :— খোঙ-হামদোকহল্লি, অমাংবা মৈথৎপদা কহল্লি, লোকথুংবগী খোঙ্গেল তাবদা কহল্লি। মুল্লিঙৈদা চাবদা য়াম্না হাওই। সুংশংগী অনাবা মাঙংল্লি।

(১) মনাহি, হৈগ্র, উ-নৈপাক-হন্নাই, অহুম অসি মকুপ লৌরগা চাং-চপ য়ান্নহনগা নোংমদা গ্রেন ১২ অনিরক্তং চাবনা থা অন্তমলোম চারবদি সুংশিংনা মিৎ উদবদসু উহল্লি, চাকথাউ শোকপদসু খোইঙিগা তিন্নরগা চারবদি চাকথাও শোকপা কহল্লি, চাবা থুদিংগী ঈশিং য়াউম অহুমদং থকনি।

(২) সুংশংগী ঈ-তানা কায়বদসু, মিৎ নাপু কাবদসু হায়নিংঙাই নৈতনা কৈ।

(৩) মনাহি, হৈগ্র, উ-নৈবাক-হন্নাই, অহুম অসিনা শেম্বা হীদাক্তা, লোক-লাঙ্গলৌ, থাক্তু-সুংশং অনিমক্তা কায়হল্লি। মসিবু আয়ুর্ব্বেদশিংনা ত্রিফলা কৌই।

"খোংনাং শম্‌ফাবী নম্ভ্রগা খোংনাং জাটা"

মৈতৈলোল :— খোংনাং শমকাবী নম্ভ্রগা খোংনাং জাটা
হিন্দী :— বড় বড়গদ।

মগুণ :— খোংনাং মকু গ্রেন ১২ দা ঈশিং আউন্স তরুক্তং কুৎপদা আউন্স অহুমদং লৌরগা লোংবদা আউন্স তংথাই, অহুমক থকপনা মুমিৎ তরানিরোম থরবদি ঈশিং পূকচৎপা কগনি।

(১) মনা অনৌবা ঈশিংদা কুৎলগা অপোম্বদা থোম্‌বদি অপোম্বা হল্লিলহল্লি। মনা অরিবা শুরগা থোম্বদি অপোম্বা কায়হল্লি।

(২) মনা অনৌবা খোইহিগা তকথায়দুনা চারবদি ঈ কা-হেম্না চৎপদা থকহল্লি। "রক্ত-পিত্ত" দা কায়হল্লি, মায়হি তাবদগী কৈ, ঈ কায়বদগী কহল্লি। মণিপুরদা খোংনাং মথল মরী কংই। মথল মরি অসিগী মকুশিং অমি ঈশিং পূকচৎপদা লোইনা কায়বা ঙাক্তনি। খোংনাং তরুক অমদি বটকী মতোল অনৌবশিংগী চাবদা, ঈশিং চৎপদা কায়ে। হরাই মক্কলগা উরোম্রবগী ঈশিং পূকচৎপদা অকাওবা হীদাক্তি। খোংনাং বটকী মতোল অনৌবা পাউদর তাংনবা, মুশোরী হরাই পাউদর তাংনবা অমি চপ মাররলগা থাউ অহিংবা থরা তিন্নরগা মুহিদাং তুমলমদাইদা মায়হিং কাবা মকমদা তৈরম্বনা লোংতাম্লগা কি অথোনবা অমনা তকথোক্লবদি মায়হিং কাবা কৈ।

"নাগেশ্বর"

হিন্দী :— নাগকেশর ;

ইংলিস :— Mesuaferra

মগুণ— অককপা রসনি, মনম সুংশি, থবোক্বীদা চাখৎও খোঞ্জৎপা, টিঃ বিঃ গী লায়নাদা কায়হল্লি। আয়ুর্ব্বেদগী ব্রহ্মারিষ্ট শেম্বদা য়াওই। হীদাক খুদিংমক্তগ্ত অয়াম্বা য়াওই।

(১) নাগেশ্বর মপাল গ্রাম ১২ দা ঊশিং লিটর তথায় অমা হায়গা কুৎপনা মহী অচু শরুক ৩ খোকপগী অমা লৌরগা, অমুক থকপদা, খোইহি চামচ অমমম্ হায়গা নোংমদা অহুমক থক্রবদি ঐ ওবা, সুপীগী ঐ হাথবা, নাইহি-তাবা অসিনচিংবা অনাবদা মপুংফানা কৎল্লি।

(২) নাগেশ্বর অসি ভারতকী মকম-মকম খুদিংদা লৈবা মনা-মশিং য়োনবা ফুকান্দা য়োল্লি। মণিপুরদা য়াম্না হোঞ্জনা কংই, মসি য়াম্না অতাঙবা ঙঁনি। য়ারিবমখৈ নাগেশ্বর মাতহন্দবনা হায়বদি পাম্বী অসি য়াম্থোক্তবনা হেন্না কৈ।

তজপিহৎপা অমুকু পাম্বী

হিন্দী :—তেজবাত

ইংলিস :— Cinnamon leaves

·মগুণ :— থুম্জক্ তোই, নাংতক্ তোই, মনম সুংশিহল্লি, চানীংবা পোকহল্লি। হরায়-চেংবায় থোংবদহ্ রস লৈনবনীদমক্তা হনা অসিমু শিজিনৈ, সুংশিৎকী অনাবদা কায়হল্লি।

(১) তেজবাত মনাগী মকুপ, দালচিনিগী মকুপ চাং চপ মান্নহল্লগা এলাইচি মকুপ্না তথার, অহুম অসি তিন্নবনু ত্রিজাতা কৌই। অহুম অসি তিন্নবগী পাউদর গ্রেন ৬তা খোইহি চামচ তথার অমা নোংমদা অহুমক, চাবা খুদিংগী ঈশিং লুম্ব-লুম্ব শাবা খরা থক্লবদি হকচাংগী খুকউ-তাং চীকপা, পোমখৎপা অমসুং পতথবদা কবত নত্তনা ঈপাই-থীফায়বদা ফাওবা কহল্লি। ঈপাই থীফায়বদদি ঈশিং অঈংবা খরা থকনি।

ওশিংলশা মক্‌মু থাম্মী

হিন্দী :— দারুচিনি ;

ইংলিস :— Cinnamon famla bark

মগুণ :— দালচিনিগী মকুপকা, হোপ্‌কী মকুপকা চাং চপ মান্নবা তিন্নরগা অমুক চাবদা গ্রেন ৬ চাবনা নোংমদা অহুমক চারবদি ঈতোল ফায়বা, থী ফাখবা, ঈপায়-থীফায়বা কহল্লি।

(২) দালচিনি গ্রাম ১২, ঈশিং লিটর তথার অমা যান্নগা। কুৎপনা শরুক ১ খোকপগী অমা লোরগা অমুক থকপদা চামচ ৫/৫ থক্লবদি হকচাংদা তাল লৈবা ফায়দোকহল্লি, পাৎপদসু কংশিনহল্লি, চাথৎ-খোত্তৎপদসু কহনবদা নত্তনা মকু উম্বদা কম্বী হেনগৎলি, চারবসু কৈ।

(৩) আয়ুর্বেদগী সিতোপলাদি শেঙ্গদসু যসি যাওই। লোকসু কহল্লি হায়বদি লোক খোকহল্লি।

(৪) দালচিনি মকুপ পাউদর, লোংপামগী পাউদর চাং চপ মাপ্পহল্লবা, মকুপ অসি য়া নাবা, য়া চেত্তবা চেৎহল্লি।

(৫) দালচিনিগী থাউ ড্রোপ তরামণ্ডা ঈশিং চামচ ৬ তা থাদরগা থক্লবদি ওবদা ফহল্লি। থাউ অসিনা য়া নাবদা হাপ্পবস্থ ফহল্লি। আয়ুর্বেদশিংনা ইরায় লায়না থাউ লৌই।

(৫) মণিপুরদা ড পাম্বী অসি মথল অহূম কংই।

চা চন্দন

হিন্দী :— সফেদ চন্দন

ইংলিস :— Sandal wood

মগুণ :— চা চন্দন অসি হিন্দুশিংনা ঈশ্বরগী মরমদস্থ শীজিন্নৈ। অজা-পূজাদস্থ য়াঙনৈ। মৈতৈ অমাইবশিংনা চা চন্দন অসি তক্লগা, মুপীগী ঈ-না কোক চীকপদা অচীকপা মফমদা তৈনৈ। থবাক্তস্থ ঈংনবগীদমক্তা চা চন্দন মহীদা তিংথোনা নুপশিল্লগা চাইশিন্নৈ। চা চন্দন থায়, ঈংই, কক্তক-খাতক তৌই। দিগী লাইতৌদা কাম্নৈ।

(১) চা চন্দন নূংদা তকপা মহী অহু চামচ অনিদং পৌরগা ঘঙ্গোম চামচ অহুমদং য়াল্লগা মুমিৎ তরেৎ-নিপান্নিদং থক্লবদি গোনোরিয়া, থাতু লাইতাবা অমমুং মুপীগী ফিডৌ চৎপা কৈ।

(২) চা চন্দন ঈশিং অঈংবদা তকপগী মহী অহু লশিং লুপ্লগা নোংমদা অনিরক অহুমক থোম্লবদি অপোম্বা মাঙহল্লি। অসিদা নক্তনা মুংশিংনা পোম্বা, ঈনা পোমথংপদা তৈরবস্থ ফহল্লি।

রক্ত চন্দন

হিন্দী :— রক্ত চন্দন

ইংলিস :— Red Sandal wood

মগুণ— রক্ত চন্দন তক্লগা মহী অসি ঈশ্বরগী পূজা তৌবদা অয়াবা মতবদা শীজিনৈ।

(১) রক্ত চন্দন গ্রাম ১২ দা ঈশিং লিটর তখায় অমা য়াল্লগা কুৎপনা শরুক ৬ অমা লৌরগা অমুক অমসুং সুমিদাংদা চা-চামচ ৫ থকপনা সুমিৎ কুম্নিরোম থক্লবদি চাকখাও শোকপা, ঈ তাবা, ঈ কায়বা, সুংশং, নাইতি তাবা অসিনচিংবগী করবা হীদাক্নি।

(২) কনিগুবা মকয় চাদবা মকমদা নক্লগা পোমথৎপদা নাই চাহমীংলবদি রক্ত-চন্দন পাম্বীগী মতৈগী মরু কুপকল্লগা ঈশিং অশাবদা নৈখাইরগা থোক্লবদি অপোম্বা থুনা নাই চাহল্লি।

আগর চন্দন

হিন্দী :— আগর ;

ইংলিস :— Eagle wood

মগুণ— আগর চন্দন মমাংঙৈদগী হৌনা মৈতৈ মাইবনা শীজিন্নরকই। ঈশ্বরগী অজা-পূজাদসু কৎনৈ।

(১) আগর চন্দন অবুম্না গ্রেন ৪, খোইহিদা তোংলগা চাবা, চাবা থুনিংগী ঈশিং মুযু-মুযু শাবা য়াউম অমা নোংমদা

অহুমক শিক্তিমরবদি "থঙ্খোয়" কলহল্লি, অসিদা নহুলা ঈ চেনবদা মত্তেং য়াম্মা পাংই, হকচাং শাগৎহল্লি।

(২) চাবা তৈবদা হকচাং শাগৎহল্লি, তাং-তাংবা চীকপা, প্োয়থৎপা, কোক-চীকপা, শিংলি শোনবা, হকচাং শঙবা, ওবা কহল্লি। চাবদা পাঙ্গল কল্লি, পাথোক-পোমথোকপদা তৈরবদু উনশাগী লায়ন' কৈ। মকয়ুমজগা তত্থুনা শীর্ষদবদি টিঃ বিঃ দা য়াম্মা কায়হল্লি।

কুষ্ঠ

হিন্দী : - কুঠ, কুটৈয়া,

ইংলিস :— Loness

মগুণ :— পাম্বী অসিগী অতোপ্পা মমিং অমনা কুরচিবীর্য (ইন্দ্রযব) কৌই। মপাঙনা থাইফুল কৌই। মপাল মরুনা কুরচি ফুল কৌই। আয়ুর্বেদগী হীদাক, অসব আরিষ্ট শেমদা স্পিরিট থোক্নবা (পুরথদনবা) শীজিন্নৈ।

(১) পাম্বী অসি নোংমাইজিং চীংদা শংই। থাবা, ককপা ঙংবা. চাবা তুমনবগী শক্তি য়াওবনা সুংশং, ঈতোন কায়বা, লোক, লাইথুং, পুকী অনাবশিংদা কৈ। তীল অমমুং লাইহৌত্ত কৈ। থোঙ-হাবদা মকুগা শিংগা মুৎলগা থোইবিগা থক্লবদি থোক্ত হাম্বা কৈ। সুম্বীগী "মীদ" নিয়ম কায়না চৎপদা নিয়ম চুম্থোকহল্লি।

উ নাপু

হিন্দী :— দারু, হলদী

ইংলিস :— Berberis Asiatica

মগুণ :— অরুব লেপ্পনা হোবদা শাফিরবা কুইনাইনগী মহুত্তা থাবা কৈ। পৈ-ফিরাক তাবগ্র কৈ।

(১) উ নাপু তকপগী মহীগা, কর্পুর অমসুং থাখলগা মলম ওইনা তৈবরবদি অপোম্না হইগে। উ-নাপু মকূপকা থোইংগা শীজিন্নরবদি মিৎ নাবা, নাপু কাবা, খোঙ হাবা অমসুং উনশাগী অনাবা অমদি দুপীগী মতুগী থোঙচত্তা অপনবা তৈবনচিংবা লায়না ফংলি।

থবাই বাদবী পাম্বেন

হিন্দী :— আশোক.

ইংলিশ :— Sorca indica

মগুণ :— ঈংই অমসুং অককপা এসনি। দুপীশিংগী "ঈং"গী লায়নাদা অঙকপা ফংনা ফরবা লীদাক্রি। মরম অসিনা দুপী-শিংগী থবাই বাদবী পাম্বেনি।

(১) ভারতকী কবিরাজশিংগী বেদবা তাক্লবগী মতুংইন্না থাক্লিঙ ওইনা লৌদুনা শীজিন্নই। বিজ্ঞানিকশিংনা পাম্বী অসিদগী কাপ্পবা (ইংরেজন) হীদ্রাকন্থ পুথোক্লে। পাম্বী অসি জিন্নবা ফংই। মৈতৈ মাইবশিংনা শীজিন্নবকপা মতম তুইবে। মৈতৈগী অমিবা পূবাদা "থবাই বাদবী পাম্বেন" হায়না খোঙমই।

ডাক্তরশিংনা অশোক কোর্ডেন লায়বা হীদাক অমা পুথোকই। পাম্বী অসিদগী লৌরকপা হীদাক অমি সুপাদা শীজিন্নবা য়াগে। সুপীশিংগীদমক্তা প্রকৃতিনা লেপ্পীরগা পাথেরি।

(১) সুপীগী মতুগা লায়না অয়াম্বা কৈ। ঈ-হেম্না চৎপা, খিজৌ চৎপগীদমক্তসু খাম্না থারংঙি।

(৩) পাম্বীগী মকুগা হৌমগা ঈশিংগা ফুৎপনা শরুক মরি খোকপগী শরুক অমা লেমংঙা লোনশিন্নগা ঈ-চৎপা য়াৎপগী নাবদা, লোংমদা অনিংক, অতুমলক থরুগবনি। মরু তকথান্নগা ঈশিংগা থক্রবদি ঈশিং চত্তবা নুংগী ফনাবা কৈ। হৈংগী মকুপকা ঈশিংগা থক্রবসু ঈতোন কায়বদা কায়নবা হীদাকনি।

মায়োকফা

হিন্দী :— অর্জুন

ইংলিস :— Termiualia Arjuna

মগুণ :— মায়োকফা অককপা বসনি। থম্মোয় ফহনি, ঈংহই, অশোকপা, হকচাং মথং তাবা, "হু" লৈবা অমসুং ঈ লেংদবু ফহন্নি। মৈ কনথহনি অমসুং থাতু নায়-তাবা অশিনচিংবা কাহনি। মায়োকফাগী মকু, মপান, মনা লোয়না শীজিন্নবা য়াই। থাম্বনগী হৌনা মৈতৈ মাইবশিংনা মায়োকফা অসি শীজিন্নরকই।

(১) মায়োকফাগী মকুগী অফুৎপা মহিগা খোইহিগা পীথকপদা পাঙল কনথহনি থায়ডুনা মশা লোমবশিংদা পীথকে। মকু অসি মুনা ফুৎলগা সুপীগী ঈ-মুংশিংনা থুংকউ-তাং চীকপদা

কৈয়া কাৱৈ। ভারতকী কবিরাজ অমসুং আয়ুর্বেদনা তাক্লকপী মক্লুংইন্না থম্মোয় শোনবা মপুৎনবগীদমক অরিষ্ট লৌদুনা শীজিন্নৈ। হৌজিক্কি বিজ্ঞাননিকশিংনা শাম্বী অসিদগী কাম্ফর (ইথেম্নন। ঐদাকসু পুথোক্লে। মায়োকফা মকু গ্রাম ২৪, ইন্শিং লিটর ভথায় অমগা মুৎশনা শরুক ৪ থোকপগী শরুক অমম্তঃ লৌরগা শেংনা চুমথোরগা থোইহি চাবচ অমা হাপ্লগা থকপনা নোংমদা চা-চবচ ৬/৬ থক্লবদি হকচাং ফনহল্লি। চীকপা ফহল্লি, থম্মোয় ফহল্লি, অমদি কোকচীকপা যহল্লি, মামত্রবদা মুম্বিং ভরানিদি থকনি।

(২) মায়োকফা মনা অনৌবা মধৌ শেংনা চুমথোক্লুনা লৌরগা নাকোংদা হাপ্লবদি নাকোং চীকপদা ফহনবতা নহুনা লাইথুন্দসু ফংল্লি। নোংমদা অনিরক অহুমরক হাপ্পনা মুম্বিং মত্তানিরোম হাপকদবনি। শাম্বী মকু অফুংপা মতৌদা শক্লোমগা ভথায় ভথায় হাম্নগা থক্লবদি হকচাং নোয়-পেল্লি। অমুক থকপদা চাবচ ৬/৬ থকনি। মায়োকফা মকু অমসুং চা চফন অনিগী অফুংপা মথি অদু শেংনা চুমথোক্লগা অমুক থকপদা চা-চাবচ ৬/৬ নোংমদা অহুম্রক থক্লবদি বীর্য চৎপা, জ্বর-ভাবা, নুংশং, খোংহাম্বা, ঘৈতোন কায়বা ফহল্লি।

(৩) মতৈনা শাঙ্গল পী, মতৈনা থম্মোয় হেনগৎহল্লি, থরাক চাকপা অমসুং লাইহৌগী লায়নাসু ফহল্লি। শাম্বীগী মক্লুনা অয়াম্বা মতমদা হেয়া শীজিন্নৈ।

N. B. শাম্বী অসি হিন্দীদা "কদ্দু" অমসুং "দুর্গন্ধ" কৌই।

"জাম"

হিন্দী :—বড়ী জামুল

ইংলিস :—Black plum

মগুণ :—জাম পাম্বীগী মকু ফকই।

(১) জাম মকুপকী মহী হাবেং মখোমগা য়াম্নবগা পীথক্লবদি অঙাংগী মথী ফায়বা কৈ। মনাগী মহীগা থক্লগা ঈতোন ফায়বা কৈ। জাম মহৈ অমুনবা চারগা চিনবান, খৌনাও নাবা ফবদ নগুনা পুকী তীলস্থ ফহল্লি, শিহল্লি। জামগী মক ভকথায়রগা চারবদি ঈশিং পুকচৎপা কৈ।

(২) জ'ম অমস্থং কৈনৌ মকুগী অকুৎপা মহীহু ঈংথহল্লগা খোইহিগা থক্লবদি ঈশিং চৎপদা শাবা, নাবদা য়াম্না ফহল্লি।

"লাই-হৌদাক"

হিন্দী :—দবদার

ইংলিস :—Cedar

মগুণ :—মু'শিং কাবা কৈ, হমাং অমস্থং ঈশিং চৎহল্লি। লাইহৌ, পোমখৎ-থাগৎপা অমস্থং ঈশিংগী লাইনাদা য়াম্না কৈ।

(১) লাইহৌদাক মচি ঈশিংদা ভকথায়রগা কোক্তা তৈরবদি কোক চীকপা কৈ। খোঙহামদবা মুংশংদস্থ কায়বা হীদাক্লি। লাই হৌদাক অকুৎপা মহী থকপা থাতু নাই তাবা, তাকি, খুকউ-তাং চীকপা, নাবা অমদি পোমখৎপদা তৈরবস্থ কৈ। কুইনা শাৎলগা উনশাগী লাম্বনা অমস্থং লাইখুংদস্থ কৈ।

"কম্বো-থাঙ্জ"

হিন্দী :—খদির ; ইংলিস :—Cateches

মগুণ : – ফকই, লোক্তা, থী কায়বদা, পাৎ-থোকপা উনশাগী লায়নাগী মপালথংবা শরুক্তা শিজিন্নৈ।

(১) জিন্না, শঙ্গোম, চিনি য়ায়গা থক্লবদি গোনোরিয়া হায়বদি থাতু-নাই-তাবা কৈ। য়াদী-য়াখোং নাবা, য়ারীদা ঈ থোকপা, থৌনাও নাবা, লৈ-নাবদা মনপ্ তৈবা য়াম্না কৈ। থোইহিগা, মপালগা পূন্নগা চারবদি লোক থুবদা ঈ য়াওবা, ওবা, ঈ কায়বা কৈ। কবোথজি মনপ্, অচৌবা অনাবগী হীদাক ওইনা মতম অয়াম্বদা শিজিন্নৈ।

"ক্সাহ"

হিন্দী—গন্তারী ; ইংলিস—Wangtree ; বাঙ্গালী—গাম্বার

বাংগী কান্নবা : – পাৎথোকপদা নাইঁ থোকপা অমসুং পাৎ-থোকপগী মহীকশিং শিহল্লি। লোক থুংবা, হকচাং চীক-থোৎপা, চাবা ভুমদবা, লাইহৌদা শিজিন্নৈ। খজিক ককই, মনা অথোৎপা অনৌবগী মহীনা থাকু-নাই তাবা কৈ।

"হৈরেন্বোং"

হিন্দী :—গুলর, ভটমিল ; ইংলিস :—Fig, cluster

মগুণ :— হৈবোং হায়বসি মথাংহৈগী মুনি-ঋষিশিংনা তোম মরুদা য়াওই হায়দনা মক্ত হুমবুর কৌই। হৌজিকসু য়াওই, পাম্বী, মনা-মহৈ, মকু-মরা-মরু, মৈহৈ মাইবশিংনা হীদাক ওইনা থায়নদগী শিজিন্নরকই অমসুং মসি অককপা য়সনি।

(১) হৈবোং মকু ফুৎপগী মহী লোয়রগা অপাৎ-অনোম, চাথৎ-খোত্তুৎপা, চামথোকপদা কহল্লি। মন্না ফুৎলগা ঈতোন কায়রবদা পীথকপা য়াম্না কাদ্রৈ। অসিদা নত্তনা পাক্কল কাওবা পী। মকু কংহল্লগা মকুপ (পাউদর) লোয়রগা খোইকিগা তোত্তুনা চায়রবদি চাকথাউ শোকপা কৈ। চাবা খুদিংগী ঈশিং লুম্বু লুম্বু শাবা থবা থকনি। অসিদা নত্তনা থী চিকেৎ-চিকেৎ কায়রবা, ঈপায়-থীকায়রবা কহল্লি। হৈবোং মনপ্ (মহৈ) খোইদিং থাউ য়াল্লগা তৈরবদি অপোম্বা খোইমহুম কহল্লি। অমুনবা মহৈ, চিনি অঙৌবা, জিরা চাং-চপ মায়হল্লগা ঈশিং লিটর মথায় অমদা হাপ্লগা ফুৎপনা শরুক অহুম থোকপগী শরুক অমা লোয়রগা নোংমদা চা-চামচ ৫/৫ অহুমলক থকপনা সুমিৎ ১০ নি থক্লবদি থাতু নাই তাবা, ফিঙৌ চৎপাকৈ। অসিদা নত্তনা হৈবোং অমুনবা ঈশিং হাপ্তনা শুয়রগা মহী লোয়রগা থক্লবদি ঈশিং পুকচৎপদা য়াম্না থুনা কৈ।

(২) হৈবোং মন্না, মকু, অমুনবা মহৈগী প্রাম ২৪ দা ঈশিং লিটর মথায় অমা হাপ্লগা ফুৎপনা শরুক ৩ (অহুম) থোকপগী শরুক ১ লোয়রগা নোংমদা চা-চামচ ৫/৫ অহুমলক থকপনা সুমিৎ ১০ নি থক্লবদি ঈশিং হেন্না চৎপদা কহল্লি। মকু অকংবা ভিংলগা থকপন্ত ঈশিং চৎপা কহল্লি। মনা অনৌবা, হবাই মঙলগা শিংজু চায়রবসু ঈশিং চৎপা, ইয়ায় লায়না কহল্লি।

৩। মহৈগী মহী (মুন্দবা) খোইহিগা থক্লবদি ঈ চিকেৎ-চিকেৎ চৎপা ফিঙৌ চৎপসু কহল্লি।

"ঞৈস্ত্রম্বুং"

হিন্দী :— অমল বেংট,

ইংলিস :— Sossel (Sorrel)

মগুণ :—মণিপুরদা হৈবুং মরাং কায়না কংই। করিগুম লাইদা উৎসব কৎপদা হৈ-থোংবা ওইনম্ম শিজিন্নৈ। মমাংতৈগী অহলনা হৈবুং মহী ভি'লগা তৈবদা খুকউ-তাং চীকপা কৈ হায়রুনা তৈনৈ, কম্ম কৈ।

(১) ঈশিং চৎপদা বেরা ত্তোংবদি ঈশিংদা ভিংবগী হৈবু' মহীদা, খোইহি খরা হাপ্লগা থরুবদি ঈশিং মপুং কানা চৎহল্লি। থকপদদি চাক মতুংদা থকনি। ওনিংবদা থরুবম্ম ওবা কৈ। হৈবুং চারগা অরাম-খৌরাংবা পোকহল্লি। মরু খুগায়রগ' চারবদি ঈত্তোন কায়বা কৈ। মহু পানবনা (খোই, লিম্না) চীকপদা হৈবুং মহী তৈরবদি নাবা কৈ। খোইনিংখৌনা চীকপ: কাওবদা কান্নৈ। মহৈনা মা চীকপা কৈ।

"খজি"

হিন্দী :— খির ;

ইংলিস :— Cateches

মগুণ :—ককই, চাবা তুমহল্লি, লোক, থী কায়বা, থজি চারগা কৈ। পাৎখোকপা, অপোম্বা, উনশাগী অতৈ-অতৈ লায়না মপান্দা তৈবা কৈ। লৈগী মথক থংবা শরুক্তা থাতু নাই ভায়বদি জিরা, শঙ্গোম, চিনি, চারগা কৈ। অসিদা নম্ভনা খৌনাও

তিংখল নাবা, খাগী খোঙকাপ্ হেম্বনা (চোম্বনা) চৎপদা, মুগীগী কিজৌ চৎপা, খাগী থাচত্তা, য়েকপা-নাবা কৈ।

(১ ঈশিংদা খজি তিংলগা দালচিনি, লোংমপাল, অতৈ মনম মুংশিবা (কর্পূর), (কা মকূপ) তিম্নরবদি খোনাও নাবা, লৈ নাবা, তোনশিন্নচিংবা কৈ। খজি মপাল খোইহিগা চারবদি জ খোকপা কৈ। খজি মকু, কুরুচি মরু অনি অসি তিম্নরগা কূৎলগা থক্লবদি অপোম্বা কৈ। খজি মনপ অঙৌবা, অমুবা অনি শুই। অঙৌবনা হিদাকীদমক শীজিন্নৈ, অমুবনা উনশাগী অনাবদা শীজিন্নৈ।

"পাংগোং"

হিন্দী :— ঢাক ; ধারা,

ইংলিস :— Downy Branch butea

মগুণ : —পাংগোং হায়বসি মণিপুরীশিংনা করিগুম্বা শিথিবা মী কংঙক্তবদা পাংগোংনা মী শারগা মঙ্গ (সংস্কার) তৌনৈ, হিন্দুশিংস্ত চৎনৈ।

(১) ককৃতক তৌই, বীর্য্য হেলহল্লি। থা লেপখিবা থা অমা অনিগী মমুংদা শঙ্গোমগা পাংগোং মনাগা তকথায়রগা থক্লবদি মুপা পোকই।

(২) পাংগোংগী মকু গ্রাম ১২ দা ঈশিং চা-চামচ ৫/৫ য়াল্লগা নোংমদা অহুম্রক থকপনা মুমিৎ তরানিরোম থক্লবদি লিনগী "হু" মাঙই। পাংগোং মরু মকুপ পাউদর ভাহল্লগা চম্প্রা মহীদা নৈথাইরগা তৈরবদি অপোম্বা হজিল্লি, তৈবনা মুমিৎ তরানিমুক তৈগনি।

(৩) মরু, মতোংবা পূক্কী ভীলগী জাৎ শিকল্লি। পাংগোং মরু মকুপ গ্রেন কুন্দা কেপেথাউ চা-চামচ ৫ গা ডিররগা ঈশিং মুমু-মুমু শাবা চা-চামচ ১০ মংগা লোয়ননা থক্লমখি থাগী "ঈ" নীকপা (চক্তবদা) চৎথোকই। মুমিৎ কুম্নামরি (৩৪), কুম্না মচালি (৩৫) দা ঈ চক্তবদগী "ঈ" চৎথোকহল্লি।

(৪) পাংগোং অসি য়াম্না কান্নবা হীদাক মথল অমনি। মরু, মনা, মকু পুম্নমক হীদাক্তা কান্নহল্লি। মৈতৈগী অহল-লমমশিংনা অঙাং পোক্তনবগী হীদাক পেথদা মরু অসি হিদাক মন্নাল পেথদা পাংগোংমু য়াওই।

"হৈজাবু"

হিন্দী :- অমলা,

ইংলিস :— Embilica officinalis

বাহৌদোক :— হৈজাবু অসি ঈশ্বরনা মীওইবগীদমক পীন-রবা কান্নবা পাম্বী মথল অমনি। পাম্বী অসি মণিপুরগী মকম অয়াবদা হোই। ভারতকী মকম থরদগি তুলশিগুম্না পুজাহৌনৈ।

মগুণ :—হৈজাবু চাবগা হকচাং য়াংই, ঈংই অমমুং মক ওই। হৈজাবু চাবগা চানীং-থক্লীংবা পোকহল্লি অমমুং পুক চাকপা, ভবা থিংই। পুক্তা মুংশিং কাবা, খোঙ থাম্বা, অমাংবা মৈথংপা অশিন্নচিংবা কান্নহল্লি। য়াম্না ঈংবা, মেঙবা মরক্না লৌমাংবা অমমুং হকচাং শাগৎপা, চাকপা কহল্লি। মুমাং পোকহল্লি অমখি নাইরো অমমুং নাইহোগী চাকপা কহনবগী মতমা অকোক

মকাবগী শব্দ শৌভিজমহনবদা মতোং পাংই। মমম অসিনা হৈগ্রূ, অসি হৈ পুম্নমক্তগী খাইদগী হেন্না কান্নবা হৈ মথল অমনি। হৈগ্রূনা লায়না কপাবূক্তা কান্নহল্লি। করিক্তগা লম থাগনা চংলকপদা চাবা থকপা কংগ্রবদা হৈগ্রূ অহুম/মরিমং চান্নবদি হকচাং তেকথংপা অমম্ভং অরাম-খৌরাংবা কৈ। হৈগ্রূনা ঐ শেংদোকংল্লি, ফণী। বীর্য। কহন্নি অমম্ভং ঔশিং মরীদা কবক নত্তনা মুগীগী অতাং নৈকমগী অনাবদা কাৈম্ন। হৈ পুম্নমক্তগী ভিটামিন "সি" য়াওবা হৈগ্রূনা খাইদগী হেল্লি। হৈগ্রূদা অয়াকপা রস (মহাও) নত্তবা অতৈ রস পুম্নমক য়াওই মসিনা থবাক্কী অনাবদস্ত কহল্লি।

১। ঔশিং লিটর মথাবগী তংথায়দা হৈগ্রূ অকংবা গ্রাম তরানিথোই হাপচিল্লগা (মুমিদাংদা তাংলগা) অমুক্তা শেংনা চুমথোক্লগা লিক্লি অমদা মথুম চেংনা থুমজিল্লগা হাগ্রূনা থবা মহীচু চামচ ১০ গী মমুংদা থোইহি চামচ অমা হান্নগা নোংমদা অহন্নক থক্লবদি পাঙ্গল কলংল্লি, কোকী অনাবা কবনবা তমই।

২। হৈগ্রূ অতিংবা মহী চামচ অমা, থোইহি চামচ অমতংগা তিন্নরগা মুমিং খুদিংগী থক্লবদি হকচাং নোম-পেলহল্লি, থোক হাম্বা মপূক কাহল্লি অমদি ঔশিং (ভূং) পৌহল্লি।

৩। হৈগ্রূ মকূপ গ্রাম ৭, মনাহি মকূপ গ্রাম তরেৎ চাং-চপ মান্নবা তিন্নবা অসিমু আয়ুর্বেদ শাস্ত্রদা "ত্রিফলা" হায়না কৌই। ত্রিফলা অমুক চাবদা গ্রাম ৬ থোইহিদা তোত্রূনা চান্নগা ঔশিং অশাবা থরা থকপনা মুংশংগী অনাবদা খাইদগী

কামহল্লি। হীদাক অসিনা পাণ্ডুরোগ (নাপু কাবা) কহল্লি কোক-তাওবা কহল্লি, মসিনা থাকু নাই-তাবা, ঈশিং হেন্না চৎপা ঈশিং মনম নমথিবা কৈ।

৪। কৈগ্রু অনৌবা মদী, খোইহি, য়াইঙং য়ামথ্রগা চারবদি থাকু নাই-তাবা (গোনোরিয়া) কৈ।

কৈগ্রু মকুপ, খোইহিগা চারবদি মুঠীগী "ঈ" হেন্না চৎপদা কহল্লি। কৈগ্রু, কিসমিস, চিনি, খোইহিগা পুন্না চারবদি পুক-নাবা, খোঙ হান্না কৈ। কৈগ্রু অকংবা মকুপ, গুণ মরীচ মকুপ, চাং-চপ মান্নবা তিন্নরগা চারবদি ঈ ঈথৎপদা ঈ লাকহল্লি। নোংমদা অনিরক/অহুমলক চাগনি, চাবা থুদিংগী ঈশিং অশাবা য়াউম অমমম থকনি। কৈগ্রুগী অশীনবা রসনা মুংশিং মাঙহল্লি, অথুম্বা রস য়াওবনা অমদি ঈংবা মরম্না মৈ (পিত্ত) কহল্লি। অককপা রস য়াওবনা কফ মাঙহল্লি হায়বদি বাত, পিত্তনা, কফগী অহেনবা শরুকশিংডু মাঙহল্লি।

"মনাহি"

হিন্দী :-হরর

সংস্কৃত :-হরীতকী

ইংলিস :- Myrosalan

মগুণ :-মনাহি অসি মণিপুরগী চীং-তমদা মপুং ফানা কংই। মনাহি নৌরিঙৈদা (মরু পাল্লিঙৈ) হেক্রুগা কংহনবনু "জংগী হরীতকী" কোই। মণিপুরদা হৌবা মনাহিনা থ্বাইদগী ফবা হেল্লি।

২(১) অশুংবা মনাশিংগী-হায়বা, ঈতোন কায়বা কৈ। মুংশংবা মনাহি, মকুপ মনবুংদা ভীংলগা থক্রবদি অমাংবা পেংহল্লি। মরু য়াওবা মনাহি শঙ্কোমদা কুৎলগা থক্রবদি পুক্লিংগী অনাবা ফগল্লি। মনাহিগী অকুৎপা মহী খোইদিগা য়াল্লগা থক্রবদি খোনাও লাবা কৈ। মনাহি মনগী ঘীদা হাইকেৎ তোরগা চাক-চাবা মতুংদা চারবদি মকচাং পাঙ্গল হেনগৎলি।

(২) "জংগী হরীতকী" নত্রগা "বাল হরীতকী" চায়গা অবিবা খোঙ লাম্বা (ঈপাই থীকাই) ঈতোন কায়বা, মুংশিংদ কাবা, ওবা, থগেবা কৈ অমসুং ফিরাক তাবদা য়াম্না শীজিন্নৈ। চিনিগা, ফশিংবা, জংগী হরীতকী তকথায়বা মকুপকা অহুম খুৎস শীজিন্নবদি মিৎ-নাবা কৈ। মনাহিনা পাঙ্গল পী, অংলুপুনা ওইহনদে। পুক্লিংগী শক্তি হেনগৎলি, মৈ-ঈশিং-মুংশিং হেনগৎপা মরম্না (ত্রিদোষ) কোকই।

"লাইথুং-হীদাক"

হিন্দী :— চালমোগরা ;

ইংলিশ :— Gynaeandia-odorata

মশুপ :—চালমোগরা হায়বা পাম্বী অসি মৈতৈ মাইবাশংনা লাইথুং কোকপা পাম্বীনি হায়দুনা মমাঙতৈদগী কৌনা "লাইথুং হীদাক" কৌরকই। মনা, মকু, মরা, অহুম অসি শুগাইদুনা কুৎলগা ফুরি-ফুরাং লায়নানচিংবদা নোংমগী অনিরক/অহুমলক চাবথোকপদা পুম্নমক অসি মাওহল্লি। ভারতকী কবিরাজশিংনা ইথানতুহায়্বা মরুগী থাউ লোরগা তৈবদা Leprosy, লাইকোই,

খুঙ্গি-খুরাং অসিনচিংবগীদমক্তা হীদাক ওইনা পুথোকখি। মণিপুরদসু মরম ওগাইরগা হঙ্গাম থাউ থরগা লোয়নবা তৈবদা Leprosy কহল্লি। খুঙ্গি-খুরাং লাইকোইনচিংবদসু অচুম শীজিন্নরকই। চালমোগরাগী থাউ অসি ঈশিং চা চামচ ১০ দা Drop মত্তা থাদরগা লোংমদা অনিবক/অহুমলক মুখিৎ ভরানিমুক থক্লবদি হাকজনা; ঈ শেংদোকপা, উনশাগী লায়না খুদিংমক্তা কায়হল্লি। লাইথুং কোকপা উ অসি জিরিদা মপুং ফানা হোই। হৌজিক্তি মণিপুরগী খুঙ্গং থরদদি খুমকসু থানরে। ভারতকী মফম হায়বদি (Leprosy) গী Injection ওইনা পুথোক্লে। মণিপুরদদি থায়নদগী তৌনা শীজিন্নরমই। পাম্বীসিগী কাম্বা য়াম্মই, মণিপুর আয়ুর্বেদ সম্মেলনা পাম্বীসিগী মকদগী থাউ লৌনবা কমা হোৎনরি।

"শিরিষ কুসুম"

হিন্দী :— সিরস ;

ইংলিস :— Lessech

মগুণ :— শিরিষ কুসুমগী লৈ চাবদা কাহা চৎপা অমমুং বীর্য্য মহী লাংনা চৎপা কৈ। মকগী মকুপ, শিতামিশ্রি, শঙ্কোম অশাবা অচুম অসি পুম্নপ থক্লবদি বীর্য্য মহী কুগুশিল্লি। মরুগী থাউ লাইথুংদা তৈবা কৈ, মকু যকপা মরম্মা মুংশং, থী- কায়বা কহল্লি। মনাগী মহীনা মিত্তা হাপ্লবদি মিৎ-নাবা কৈ। শজি-নাহাগী অমুনবা মরম, শিরিষগী লৈগী মহী অনি অসি তিন্নরগা

ঙৈতা হাপ্পগা মিৎ-নাবা অমসুং খক্ৰগনা লিনগী "হু" কৈ। পরিমকী কক, পিত্ত অমসুং হারা কণল্লি। লৈগী মক্লীগা, মাইকং বৃপকা, মীগা পুক্লপ চারবদি লাইদো অকনবা কৈ। অমদি তু লাইহৌদস্থ কহল্লি।

'চিগোংলৈ'

হিন্দী: ববুল;

ইংলিস:—Arabic Aeasia

মগুণ:- চিগোংলৈ মথল অহুম শুই। অতৌবা মখল নি, নাপুগী নথল অমা। পাম্বীশিংসি মণিপুরদা লোইনা নাই, অমসুং মগুণস্থ খেঙদে। খুদিংমক অনপ্পগী শরুক ওই। মক অসি থী-কায়বদা হায়বদি কোলেরা করমগী ক্তি য়াওই। মকগী মকুপ ক্রেন তরানিথোইদা সিতামিশ্রি গ্রন তরানিথোই চপ মান্নবা তিম্নরগা কপুর মপাক মরিগা ঙরতুনা তকথায়বগী মকুপ অহু অমুক চাবদা ক্রেন মরি চাবনা বাংমদা ২/৩লক চাবনা মুমিৎ ৫/৬ নি চারবদি খী চিকেৎ-চেকেৎ কারবনচিংবা কহনবতা মতুনা তীলগী অনাবদস্থ অওকপা ংনা কৈ।

"কৈরেন্দী"

হিন্দী:—মৈনফল;

ইংলিসতা:—Busby Gardenia

থাহৌদোক:— কৈথী অসি মণিপুরদা অনি শুই। লম কৈথী অমনা কৈথী, মগুণ খেঙদে। থাবনগী অহলশিংনা থুগাম্নগা

মুগা শুবদা থাইদগী কৈ হায়দুনা মুগা শূনরকই। অযোংপা থুম্বা কোকহনবগী শক্তি লৈ, কোজোল য়াম্বা থোকই। হৈবী কংচম্নগা পাউদর লৌবগী মকুপ গ্রাম ২৪, কর্পূর গ্রাম অহুমগা, লোং মপাল গ্রাম অহুমগা য়ানশিন্নরগা মা শিংলবদি য়াগী ভীল শিহল্লি।

হৈবীগী মগুণ:—অধুহন্ন অখাবন্ন গাওই অমদি হকচাং য়াংহনবা পোংনি। ওথোক্রবগী শক্তি লৈ, নাতোনগী লায়নাদা কৈ। লমহৈবীগী পাউদরগা হঙ্গাম থাউগা ভিন্নরগা নাতোন, মনুংদা কাবা, চাথংপা লায়নাশিং অসি সুমিৎ ৭/৮ নি তৈবদা লায়না কহল্লি। মনা ফৃত্তুনা থোক্তৃদি থরা হাপ্লগা থক্রবদি সুগীগী পুক্তা মচুম লৈবা ফাওবা ফহল্লি। হৈবী অমুনবা চারগা পোমগনলাক্লবা কৈ। থোক্তৃদিগা চারগনা জলোদর (পুক কংবা) অমসুং ঔশিং চংথোকপগা লোয়ননা লাইথুং থুংবদসু কায়হল্লি। থোক্তৃদি য়ানশিল্লগা চারবদি লোকা অনাবা, হঙ্গাম থাওবা ভৈরগনা অপাং অপোম, ফুরিনচিংবা ফহল্লি। হৈবী অসি হৌদাক ওইনা মখল কয়া পুথোকপা য়াই।

"ক্রাকথী"

হিন্দী:—বায়বিড়ঙ্গ;

ইংলিস:— Babarens seeds

বাহৌদোক:—বিড়ঙ্গা পাম্বীসি, পাম্বী ওইনা হৌবা অমা মরী ওইনা হৌবা অমা। থায়নগী অংলশিংনা পাম্বী অসিবু ক্রাকথী হায়না কৌই। পাম্বীসি ভিলগী হৌয়াকৌরবক থায়নগী অহলুশিংনা মরুওইনা শীজিন্নরকই।

মগুণ :—পূক্লী ভীল, মুংশিং কাবা, অশীনবা কাবা, চাবা চুমদবা, উনশাগী অনাবা, খোঙহাম্দা মুংঙাইতবা অসিদ নত্তবা গা চাবা মীশিংদা ফিভা ভীলনা লাম্নবদি কাকথী শীজিম্মৈ। মহৈগা পক্সোমশা তিন্নবগা অঙাংশিংদা অনাবগীদমক্তা শীজিম্মৈ। উরী মথুম্বা মকুপ, খিড়ঙ্গী মকুপ, ঐশিং অঈংবগা থক্লবদি পাঙ্গল কল্লি "ঐ" শেংই, চানিং-থক্লীংহল্লি। থকপদা রসায়নগী থবক তৌই, মুংশংদম্ম কৈ। যেথা অমম্ং নীংশিংবগী পাঙ্গল হেনগৎলি। খিডঙ্গ, খোইদিং অমুবা অনি অসিগী মকুপ মাম্নবা তিন্নম্দা নাতোন্দা চিংশিন্নবদি কোক তংখায় চিকপা কৈ।

"খুজ্জিকলা"

হিন্দী – কুচলা ;

ইংলিস Vomica or poisonut

মগুণ :—মরূ মকুপ তুমদবা, (নার্ব) শিংলিগী অনাবা ফল্লি। হকচাংগী ইন্দ্রিয়দা নৈবা যন্ত্রশিংগী থবক্তা মপুং ফানা তৌহল্লি। খোঙ-খুৎ পঙথবা, মুংশংমা ঐ কায়বা, মুংশং ককলায়, মাংবা য়াদবা অসিনচিংবা লায়না কয়ামরুম মাঙহল্লি। মসি য়াম্না অভাঙবা পাম্মীনি। Medicine দা ভারতকী ডাক্তরশিংনা য়েংবদা হীদাক্তা মপুং-ফানা শীজিন্নৈ। অমাইবশিংনা মুথোন তৌনা শীজিন্নগদবনি। মৈতৈ মাইবশিংনা মণিপুরদা মপুং ফানা শীজিন্নরমই।

"হৈজ্রখাগোক"

হিন্দী :—বেল ;

ইংলিস :—Bengal & Ouinee

কান্নবা :—মনা ফুৎলগা মহী থকপা হারা কৈ। মরা কুৎপা মহী, চিনি, শঙ্গোম অকম্বা পুম্না চারবদি অঙাংশিংগী মথী কান্নবা কৈ। পাম্বী মকু মহী, শঙ্গোম, জিরা অমুনবা অসি চারগনা বীর্য্য য়াওবা কৈ। চাবদি পাম্বীগী মকু গ্রাম ২০, জিরা গ্রাম ২০ শঙ্গোম লিটর মথায় ফূৎলগা লিটর মশুং অমস্তং শাইবা ফাওবা ঙৌরগা অমুক থকপদা চা-চামচ ১০ থকপা, নোংমদা অনিরক থকপনা নুমিৎ ভরানিরোম থব্রবদি বীর্য্য য়াম্না চৎপা ইরায়-লায়না কহল্লি। পাম্বী মযোল শুগাইরগা হাপ্তা অমা থোইদিং থাউদা ভীংলগা ঈরুজবগী মমাঙদা খুয়াদা তৈরবদি খুম্না শাবা কৈ। হৈখাগোক অমুনবগী মতোং নুমিৎ খুদিংগী চারবদি মুৎশিৎ কাবা, অমাংবা লীকপা, চাকখাও শোকপা অশীনবা কাবা অসিনচিংবা কহল্লি। হৈজিংদি কান্নবা হৈথাগোক অশংবা মৈদা মুম্না লৌরগা সিতামিশ্রি থবা তোৎলগা চারবদি অশীনবা কাবা কৈ। অসিদ নত্তনা পুকনাবা, ঈতোন কান্নবা অসিনচিংবা পুকী অনাবদা কহল্লি। হৈথাগোক মনা শুবগী মহী চামচ অমা নোংমদা অহুম্নক থব্রবদি ঈশিং কা হেম্না চৎপা পুকচৎপগী লায়না কৈ। ৫কপদি নুমিৎ ১০ নিরোম থকনি। মহৈগী মকু অকংবা কুপনা পাউদর তারগা গ্রাম ১২ দা জিরা ৬ (ভরুক) হাপ্লগা অমুক চাবদা গ্রেন ৪/৪ সি নোংমদা অহুম্নক চাবনা

মুমিৎ ৭/৮ নি চারবদি ঈ·কায়বা, ঈতোন, পুকয়েকপা, অসি-নচিংবা ইয়াই লায়না কহল্লি। চাবা থুদিংগী ঈশিং অঙৌবা চা-চামচ ১০ থকনি। হৈখাগোক্নী শর্বোৎ থক্লবসু অরিবা ঈতোন কায়বা কৈ।

N.B. থায়নগী মৈতৈ মাইবনশিংনা য়াম্না শীজিন্নরকই। অসি হিন্দুশিংনা মহাদেব-দেবী পূজাদসু য়াওনৈ। পাম্বী অসি ঈশ্বরগী শক্তি হেন্না লৈ, ইবদা পাম্বীসিগী গুনদা হেনগনি।

"উন্নী অঙাঙবা"

সংস্কৃত :—রক্তমুলী;

ইংলিশ :— Rubia polyradixlongus

মগুণ :—মৈতৈ মাইবশিংনা অনি থোক্না মখিং থোন্নমই। (১) উন্নী অঙাঙবা, উন্নী অসিগী মরুওইবা য়াকমদি মরানা অতোপ্পা উ অমনা য়েৎলি হায়রুনা মখিংবু অমাইবশিংনা উন্নী অঙাঙবা থোন্নমই। মরা অসি হেক ককপদা মথোম থোকই, মেক্রুক্পা মথোম অচু শৌজিন্দুনা লৈ। থোক্লক্লিবা অমসুং শোগৎলক্লিবা মথোম অদুসু অঙাঙবনি। পাম্বীদি উগুপ্পা তৌই।

কান্নবা :— রসায়ননি, ঈ শেংহল্লি, লাইহৌ কৈ। পাঙ্গল অমসুং বীর্য্যদা অরাৎপা হাপ্পী। ঈ হেন্না চৎপা, কীতৌ চৎপা কহল্লি, অফকপা মগুণ লৈ। বাত, পিত্ত, কফ, ধাতু অহুমগী দোষ (ত্রিদোষ) কোকই।

৩। পাম্বী অসি মণিপুরদদা কংই। মণিপুর আয়ুর্ব্বেদনা পাম্বী অসিগী হৌদাক মথল অনি পুথোকই :—

(১) তাইবঙ শাকবা, (২) নারা শাফবা, মাইবরোল পুরাণদগী লৌছুনা হীদাক অনি অসি পুথোকপনি।

"সনাখোংনাং"

হিন্দী:—পীপল গাছ;

ইংলিস:—Sacred fig

মগুণ:—সনাখোংনাং – মৈতৈ অমসুং হিন্দুশিংনা মখোঙদা রাই তৈথোক্লগা পুজা তৌনৈ। অমুনবা মহৈ অসি উচেক-শিংনা চারগা মথীনা দলান মথক অমসুং য়ুমথক্তা তারগা চারা ওইনা হায়রিবা মফমশিংসিদা ফংই। পাম্বী অসি দৈব্য শক্তি য়াওবা মগুণ লৈবা পাম্বীনি। মহৈগী মরুদা অঙাং পোক্লনবা (পোক্তবদা) মগুণ লৈ।

(১) সনাখোংনাংগী মহৈগী মকুপ অকংবা ঈশিং পোৎরা মখায় অমদা মকুপ গ্রেন ১২ দং সুমিৎ ১০ নিরোম তৌংলগা মহীহু নোংমদা চা চমচ ৮/৮ থকপনা সুমিৎ ১৫ নিরোম থক্লবদি অঙাং পোক্তবা পোক্কল্লি অমিদ নত্তনা হায়রা কংথু কাওবাকৈ।

(২) খোংনাং মকুগী মকুপ লোইহিগা চারবদি চীনকৈ নাবা, খৌনাউ-নাবা কৈ অমসুং তৈরগা পাৎখোকপমচিংবা কৈ।

(৩) মকু ককই, কপাইনি। মকু অসি হুৎলগা থকপদা থাডু নাই তাবা কৈ, ঈশিং পুকচৎপা কৈ। 'মকু ভক্লগা তৈবদা

অপোক্পা মুলংল্লি। অসুৎপা মকুগী মহীনা চাবা তুমংল্লি। কফ বাত, পিত্তগী দোষ অহুমবু ফংল্লি। মনা অনৌবা শুরগা হঙ্গাম থাউ তিন্নরগা তৈবদা হাকক্সবা অমদি উনশাগী লায়না কংল্লি।

"তোমাল পাক্সী"

হিন্দী :—তোমাল;
ইংলিস :—Mypore Gambage

মগুণ :— তোমাল বৃক্ষ অসি পংবাং বাংদে, মনা পুংই। হিন্দুস্থিংনা ঈশৈ শকপদা শাংথানবা পাম্বীনি। মনা পুংবা মরল্লা পোক্পা চেক্লাশিংগী কায়দোংফম ওইবদা নুংঙাইবা উপালনি।

কান্নবা :—মহৈনা হৈজিং ফারকপদা শীল্লি, মপুং কানা মুল্লগা থুমই। সৈন্ধব লবন, ঊ়চিঠি, শিং, চিনি চাং চপ মান্নবা পুম্না তিন্নরগা চারবদি পিত্ত কেনগংলি (মৈ কল্লি)। তিন্নরিবসি চারগা থক্তিন চাকপা, চাকথাউ নাবা, লোক থুবদা ঈ-য়াওবা অমসুং "রক্ত পিত্ত" হায়বদি ঈ-য়াওদবা, চরম নাবা, খোইরিন-নাবা সুংশিৎ উত্তোংদা শাবা অসিনচিবদা কংল্লি।

২। অনৌবা মশা ঈশিংদা তল্লগা থোম্নবদি অপোক্পা হক্তিল্লি।

N. B ফী মচু শওবদা কোক্তনবা শিজিন্নৈ।

"থরবোন"

হিন্দী বাকুচী ;

ইংলিস—Serratula Anthelmintica

কান্নবা—ফিডৌ চৎপা কৈ। হকচাং থাগৎ পোমথৎপা (লাইথুংনা) উনশাগী লায়না খুদিংমক কৈ। মরূগী মকুপ গ্রেন ১৫, থোইদিং অমুবা গ্রেন ১৫ অনি অসি পুন্না তিন্নরগা ঈশিং অশাবগা থক্লবদি উনশাগী লায়না খুদিংমক কৈ। হিদাক অসি চাবা লোইবদা মিনিট ১০ মুক গুংশাদা য়াইগনি। থাউ ওইনা তৈরবস্থ কান্নবা হিদাক্নি। '

১। থরবোন মরূগী মকুপ (পাউদর) মনাহি মকুপ ; কবো খজি মকুপ চাং-চপ মান্নবা তিন্নরগা হঙ্গাম থাউদা তোৎলগা তৈরবদি উনশাগী অঙৌব পকপা (লাইথুং) কৈ। নোংমদা অনিরক তৈবনা থা ৬ লোমদং তৈরবদি অঙৌব মাঙথিগনি, হান্নগী উনশাগী মতৌদৌনা লৈগনি।

২। লাইথুং অঙৌবা ফবগী অতোপ্পা অমনা থক্লগা কবা মচুদি মথক্তা হায়থিবা হিদাকসি তৌরিবৈদা চারবস্থ থুনা ফহল্লি। চাগদবা মওংদি মনাহি কবো খজি, থরবোন, মরুশিংসি কুপহল্লগা ঈশিং লিটর মশুং অমতুং লোরগা অমুক থকপদা চা-চামচ ৮ থকপা, নোংমদা অনিরক থকপনা থা ৬ থক্লবদি লাইথুং অঙৌবা পকপা ইরায়-লায়না ফহল্লি।

৩। খজি উ-পাম্বীগী মকুগা, হৈগ্রুগা ফুৎলগা মহি অদুদা খরবোন মরু-মকুপ (পাউদর) য়ানশিল্লগা খল্লবদি অডোবা শকপদা পুংক কবনি, খকপনা খা ৬ খক্কনি।

“কৌব্রু-য়াই”

হিন্দী—বিলাই, ভঁই—কন্তুরা

ইংলিশ—Ipomoca digitata

কান্নবা—কৌব্রু-য়াই অসি মৈতৈ মাইবশিংনা শিদাক্কীদমক্তা মমাংতৈঙদগী শৌনা শিজিন্নরকই। কৌব্রু-য়াইগী মরু (মহৈ) কুপ্পা তকখায়রগা খোইহিগা চারবদি মুপীগী খোম খোক্তবদা খোকহল্লি। মসিদা নত্তনা মী থুদিংমক্তা ওইনা পাঙ্গল কনখৎহল্লি, ঈংই, কোক ঙাওবস্থ ফৈ।

১। ফিরাক, পৈ-ভাবা অনাবশিংদা করবা শিদাক্কী বীর্য্যস্থ ফঙ্হল্লি। চাগদবদি মরু (মহৈ) কুপঙ্গলগা (পাউদর) খোইহি চামচ ১ গা লোংমদা অনিরক চাবন মুমিৎ ২০ চাবা, চাবা থুদিংগী শঙ্গোম চা-চামচ ১০/১০ দং য়াওরবদি বীর্য্যসি অঙকপা ফংনা য়োকখৎলি।

২। কৌব্রু-য়াই মরাগী পাউদর, হঙ্গাম থাউ, য়ুবী থাউ, খোইদিং থাউশিংগা তৈরবদি উনশাগী লায়না করবতা নত্তন Laprocy কাওবা ফংহল্লি। মরূগা, হঙ্গাম থাউগস্থ য়াই, পাম্বী 'মরু, চিনিগা ফুৎলগা খল্লবস্থ পুক নাবা কৈ।

"তীল-শিবী'

হিন্দী—কট করঞ্জা ;

ইংলিস—Fever nut

মগুণ :—তীল শিবী থায়নগী অহলশিংনা কোতা-কোতিস্ত কৌনবমই। পাম্বীসি মনিপুবগী মকম থরদা কৌবা উই। করিগুম্বদা ইঙ্গোলদা কৌবস্ত য়াওই। অড়বু মগুণ কৰিনো খঙ-দবনা য়াপ্লোরবা কোঙ্গায়নি। পাম্বীসি য়ারা কায়র্বনি, য়াংহন্দবা কৈ।

কান্নবা :- তীনশিবী অসি থাতু মুংশংগী খোঙ কাম্বা মুংঙাইতবদা মুংঙাইহল্লি। লোক খুলাই, অকম লাইহৌ, Maleria স্ত ফহনবা ঙমই। অসিদা নত্তনা তীলগী অনাবদা অঙকপা যংনা ফরবা ঈদাগী। মসি চাবদা কোক ঙাওবা, না য়ৈশিনবা, মীৎ উদবনচিংবা তৌহন্দে।

শিজান্নবগী মওং :—তীনশীবী অকংবা মৈদা মুম্না চ্চৌরগা কুপ্না তক্লগা দাল মিশ্রি কুপ্না তক্লগ অনি অসি চাং চপ মান্নবা পুল্লগা অমুক্যচাবদা ঈশিং লুম্বু শাবগা খরা থকপা নোংমদা অহুম্লক চারবদি থাতু-মুংশং, থাতু লাইহৌ ফহল্লি।

৩। অঙাংগী শাগৎপা লোক-লাইহৌদা চুমথাং নমথীবী (শেম্বাং কাউথুম) মরূগী মকুপ, দাল মিশ্রি মকুপ তীনশিবী মকুপ

চপ মান্না ত্রিকটুগা প্রেম ২গী মরুম শিজিন্নবদি মাংখপা লোক-লাইবো. তৌনবী লায়না ফংলি। লৌমদা অহুমলক্ক পীজগনি। মুপী ল্যাইবৈ চৎপদা নাংবক লাইবৈ চৎপা কৈ। চাবদি নোংমদা প্রেম ৪ চাবা নোংমদা অহুমলক চাবনা পুমিৎ ১০ নিয়োম চাগনি।

N. B তৌনশিন্বী গরু থাউ লৌবা য়াই। থাউ অসিনা নাকোংদা হাপ্লবদি নাকোং লাইথুন ফংই।

"তবোপ্পী মরৈ"

হিন্দী—পিপর, পীপলী

ইংলিস—Piper longum

মংগুণ—তবো প্পী মণিপুরগী মকম অয়াম্বদা হৌই। মসি অচৌবা অমম্বং মচা অনি থোক্লা নৈ। মণিপুরদা মচাদম্বক হৌবা ফংনৈ। উচি থী। তবোপ্পী। গী মরৈনু উচিথী হায়না খঙনৈ।

কান্নবা—চারগা শাউ, মৈ কনহল্লি। ফম্বী কৈ, চাবা ভুম্ববা অথুম্বা রস য়াওই। চাবদা শাউ, মেডক, লোক, মুংশিৎ মাডহল্লি। মসিনা লোক থুবা, শব থবেৎ-থবেৎ হোনবা, লাইবো, মুংশং, পুক্কী অনাবা, লেংবা থিনবা ফন্দুনা থোঙ-হামদোকহল্লি। তবোপ্পী মনা-মরী ঈশিংদা ফুৎলগা থকপদা ঈশিং পোই। থোঙ-হাম্বা মুংঙাই।

১। উচিথি মকুপ গ্রেম ৭, চিনি অভাংবনা শরুক ২ ওইবগা চারবদি লোক খুবা চানিং থক্লিংদবা থম্মোয়গী লায়না, ভীলগী লায়না, ঘিৎ নাপু কাবা, অক্রম-লাইহৌ অলিনচিংবা কৈ। খোইহিগা চারগা হকচাং নোয়পেনবা, লোক-খুবা শর থবেৎ-থবেৎ হোনবা, লাউহৌনচিংবা ফজনবতা নজনা নিংশিংনবগী শক্তি লৈহন্নি। হিদাক অসি মতম খুদিংমক্তা শিজিন্নবদা মতম খুদিংমক্তা অকনবা ওইগনি। মরমদি অয়াকপগী শরুক (calcium) কংই।

২। উচিথি অচৌবা মকুপ খোইহিগা থক্রবদি চীক খোৎপা, পৈ অমমুং কিরাকী অনাবনচিংবা কহল্লি। অসিদা নজনা ঔশিং পৌহল্লি, লোক-লাইহৌ কৈ। শুপ মরোকশি মকুপ, উচিথী মকুপ চাং চপ মায়না তিন্নবগা শজোমগা চারবদি সুপীগী খোম খোক্তবা খোকহল্লি। পাক্লনম্ন কনবহি, চাবনা অমুক্তা গ্রেন ৪ নোংমদা ২/৩ চাবা, চাবা খুদিংগী শজোম চা-চামচ ১০ য়াওনা মুমিৎ ১০ নিমুক থকনি।

৩। নোংমাংখা মকুগী মকুপ, উচিথী মকুপ খোইহিগা তোক্তুনা চারবদি লোক খুবদা "ঐ" ওবা-কায়বা কহল্লি। মপ-মুংগা উচিথীগা থক্রবদি কৈগন নাকল নাবা শিথবা কৈ। খোইহিগ উচিথী মকুপকা চারগা অশীনবা কাবা, চাকথাও শোকপা কৈ।

৪। শজোমগা উচিথীগা চারবদি পৈ-নাবা কৈ। চিনি অভাংবগা উচিথী মকুপকা চারবদি তুবা য়াদবশিংদা তুমই। মনা হিদাকা, উচিথী মকুপকা ভকথাবগা চারবদি খোম হেন্না খোক্নবং অভাং মচাশিংনা হন্নাওই।

"য়াইঙং নঙ্গৌবা শিঙোল য়াইঙং"

সংস্কৃত—হরিদ্রা

হিন্দী—হলদী

ইংলিস—Turmeric

কান্নবা—য়াইঙং হায়বসি ঐখোয়না সুমিৎ থুমিংগী য়েংবা মচু ককনবা হলদী মশুগ (?) হেনগৎনবা মুসলা ওইনা অমদি শীজ্‌লা শিজিন্নৈ। য়াইঙং অসি থাঙক তোৌবা হমনা তিন্নি, অশাবা বীর্য্যনী, লোক অমন্থং বৈগী লোব যাঙহন্নি, হকচাংগী চাকৎপা অমদি উনশাগী লায়না, ঈ শেংহনবা, মিৎ মাপূ কাবা কয়ন্নি। মসি তেঙ্গা শিজিন্নবদি "হু" ওয়া কয়ে। মরম অসিনা চাননবগী দমকী কুবোক্‌পা মুসলা ওইনা শিজিন্নবনা হেন্না হৈ।

"য়াইঙং অঙৌবা নঙ্গৌবা টৈঙৈঙ য়াইঙং"

সংস্কৃত শ্বেত হরিদ্রা

হিন্দী—সফেদ হলদী

বাঙলা—সাদা হলুদ

ইংলিস—White Termeric

কান্নবা— মরুওইনা লাইযোকপা অনাবদা শীজিন্নৈ। উনশাগী অনাবা কুম্নিনচিংবদা তৈননবা হিদাক ওইনা শিজিন্নৈ। য়াইঙং মচেৎ অমা চাক মযাঙবা চান্নবদি তীন লৈবা কৈ। তীনগী

অনাবদদি মৈতৈ য়াইঙংনা যবা লৈ। মৈতৈ অকক-শমনশিংনা য়াইঙং মখল অকম শিজিন্নবমই। শগাই রা মিংদা "মঙাং, লুবাং, খুমন" হায়নস্থ চিংকমি।

"[illegible] হ [illegible]"

সংস্কৃত—[illegible] হরিদ্রা

হিন্দী—কাল হরিদ্রা

বাংলা—কালি হলদী

ইংরাজি—Black Tu meric

পাম্বী- মনা মক যাম্না মুই, মৈতৈ য়াইঙং মচুনি [মকনা]। মনা ফুট অমং [illegible] শাংবা, পাকপনা ইঞ্চি ৪ রোমনী। মপাল [লৈ] কুমী, [illegible]ই, মুই। মচাদি মরী মনাও গুইনা চংলী, মনাংদি থায়রগা মুবা দে, উশিংদা তৌংলগা [illegible] ঙই, ফেদা চিংলগ চেনা মুনা ত্থাই। কোত্রগী ভথম্বান কোব লোকতপা আঙনা করিগুম্বমা ফংজি, মমলসু য়াম্না ভাবডি। রসায়ণগী ম [illegible]দস্থ শীঞ্জিদৈ।

"[illegible]"

সংস্কৃত- কৃষ্ণ, [illegible], হরিদ্রা

বাঙ্গলা— কাল হরিদ্রা

হিন্দী—কালি হলদী

মনা মুঙক তোই, ফুট ১ ফাও শাংজী। ইঞ্চি ৬ কাও পাকই, মপাল [লৈ] কুমী, পীকই, মুবৈননা শাংজি, মরু হাংখেৎ

নাপু মালি, মসুংদা ময়ায়দা মুশিন মুই, মহাওনা থাই। রসায়নগী হীদাক শীজিন্নবা লুই। উনশাগী অনাবসিদি অহল-লমনসু অচুম শীজিন্নরকই।

"স্কাই হৈনৌমান লক্রেপা স্কাই
কপুর লমী"

সংস্কৃত — আম্রহরিদ্রা, আমা হলদী,
হিন্দী কপুর হরিদ্রা, কপুর হলদী
বাঙ্গলা :— পদ্ম পত্র, আম-আদা
ইংলিস :— Cuncuma Amata

ফুট ৫ ফাও ৱাংডি, মনা ফুট ৩ ফাও শাংডি, ইঙ্গি ৬ ফাও পাকই, থম্বাল মনাগুম্মী, চহী ১ দা কংডি, অমুক হিঙ্গৎলকই, মরু কোই, নোই, লৈখোক ফুট ২ থরা হেন্নসু শাংডি, লৈ হাইফেং নাপুনি, থরা শীল্লি, খাচোক তৌই। মনা মথক মুরৈননা শাংডি, হৈনৌগুম, কপুরগুম নম্নি, শিংগুম্মী।

"লম স্কাইঙৎ"

সংস্কৃত :— বন হরিদ্রা ;
হিন্দী :— বন হলদী
বাঙ্গলা :—বন হলুদ ;
ইংলিস :— Wild turmeric

চহী ১ দা কংডি, অমুক হিঙ্গৎলকই। মরু হাইফেং নাপুনি, মনা ফুট ৪/৫ ফাও শাংডি, য়েরুমগুম্মী, মথক শংডি, মথা মুরৈননা শংডি।

য়াই :—চীংখক্তা, অকংবা অতোওবা লমদা হৌই। য়াইঙং পাম্বী য়াম্লি, মহাও কংঙি, চহী ১ দা কংঙি, হিংগৎলি, মরু মগুণ মরাই কল্পী, ওা ফানবা য়াই থাবদা শীজিনৈ। "হু" মখল অমনি, য়াইঙংগী ভেরাইটি ওইরবস্ত মসিমদি poison নি।

"মনাহৌদাক"

সংস্কৃত :—পাষাণভেদ,

হিন্দী :— পথরচুরণ

ইংলিস :— Jrissp

মনাহৌদাক অসি খোঙহাম্বা, মৈ, ঈশিং-মুংশিংকী লায়না অমস্তুং মুংশং, থাডু-নাই তাবা; লমতন [মুঙকুপ লৈবা] থম্মোয়গী লায়না, ঈশিং খোঙদা চাথৎপা অসিনচিংবা ফৈ। থায়নগী মৈতৈ অহল-লমননা মসি য়াম্না শীজিন্নরমই। মনাহৌদাক অচু শঙ্গোম থরা কাপ্পুনা শুরগা, শঙ্গোম লিটর অমগী শরুক ৬ অমগী মমুংদা মনাহৌদাক শুবগী মহিড়ু চা চামচ ২০ দং হাপ্লগা চা-চামচ ১০-১০ দং নোংমদা অহুমলক থক্রবদি থাডু নাই তাবা ফহল্লি, মুংকুপ লৈবা, ঈশিং য়াকম ফহল্লি অমস্তুং ঈশিং পোৎহল্লি।

ভাবতকী কাওরবা কবিরাজশিংনা ঈশিং য়াকম, মুং লৈবা কৈ হায়দুনা কাপ্পবা ওইনা [ইজেক্সন] ওইনা পুথোকলে। মসি খোঙ হাম্বদা মনাহৌদাক শুবগী মহী তোলা ২ দং গুনমরিচ মরু অহুমদংগা বুপ্লা তকথায়দুনা হাপ্লগা থক্রবদি খোঙ হাম্বা, ইপাই থী-ফাই ফহল্লি, ঈশিংসু পোৎহল্লি। ঈশিং বেগা তোৎবদা জিরা ভিঙবগী

মহি "ভিয়াদি মুমিদাং পুং ৭ ডগী ভিঙবনা অমুক পুং ৬ কাওবা ভিঙগনি অড়ুগা চুমখোক্লগা লিক্লি কমদা হাপ্তনা থৎগনি। চা চামচ ২০ গী মতুংদা মনাওদাক শুবগী মহি চামচ অহুমদং হাপচিল্লগা থক্লবদি ঐশিং মরী বেরা তৌদে কৈ, নুংকুপ তাই অমসুং ঐ কাম্বা কৎলি। হিদাক অসি থক্লমদাইদা সিতামিস্রি মকুপ থরম্ম হাপকনি। মসি ম্রাম্রা কাম্নবা শেল চঙদবা হিদাক্নি।

"লাংথৈ"

সংস্কৃত :- বিষ্যাল করনী;

বাঙ্গালী :- বিষ্যালকরনী;

হিন্দী :- আয়াপান।

কাম্নবা :- লাংথৈ অসি মৈনা হেক পোকপগা লাংথৈ অড়ু মনা মচৈ পুম্না লৌরগা শুগায়ড়ুনা মঙী লৌরগা লাংথৈ মঙীনা শক্তক অনি অড়ুগা খোইহিনা শরক অমা য়াম্নরগা, মৈনা পোকপা মথমদা তৈরবদি মৈশা থুনা মুৎকনি। মৈনা পোকপদা তৈরবদি ঐশিং হাম্লোই, পোকথোক্লোই অমসুং লাইজোরোই, শাবম্ম মিনিট মঙারোমগী মতুংদা কগনি অমদি উলমূক ঐংগনি। থাম্না থুনা শয়োন কাওবদা চাক্লবম্ম হাম্নরিবা হিদাক অসি তৈবদা কাম্নে। কবিগুম্না খোইহি কংক্রবম্ম লাংথৈ মঙী ডাক্তা তৈরবম্ম কাম্নে, মৈগী মৈশা মাঙহল্লি, লাইজোবম্ম কৈ। লাংথৈ অসি মৈনা পোকপদা অনৌবা অঙাং ওইরবম্ম, অহল ওইরবম্ম কনাগুম্বনা মোখোক অমদি উ মোরোকনচিংবা কা হেম্না চাক-

লাকউদ্ধুনা য়াম্না শান্নবা অমদি পুক্তা য়াম্না চাক্ল শাউগৎলবদি লাংথৈ্‌ মহী চামচ অমা, খোইহি চামচ তখায় অমগা য়ামস্নগা পীথকপদা শাউগৎপা-চাকপা থুনা ফগনি। অতুদস্ত নত্তনা করিগুম্বা ককচাংগী মকম অমদা মোরোক মগী চোংখিবা অমদি লোইশিনখিদুনা য়াম্না শারবদি লাংথৈ্‌ মহী তৈরগা কৈ। করিগুম্বা পঙথবা লাকপা কান্দস্ত লাংথৈ্‌ অদু মনম নমংল্লবদি জ্ঞান ত্তাই; কৈ। মসিদস্ত নত্তনা থাইনগী অমাইবশিংনা লাংথৈ্‌গা ওম্‌ অত্তেকপগা খোংদুনা চারগা গোনোবিবা ফিডৌ চৎপা ক্ষহল্লি কায়দুনা চানরম্মী, ফস্ত কৈ।

"হোংউ"

সংস্কৃত:— কচু,

বাঙ্গালী: — কচু।

কান্নবা:— থাঙনা শোকপা অমদি ঈ থোরকপা মরম খুদিংমক্তা শুমু মহীগী ঈরুগা হোংউ কক্লা নত্রগা হোংউ নত্রবস্ত পাখোক মকাদুগা শুগাইরগা মগী অদু ফি অমদা চুমথোরগা লশিংনা লুপ্তনা অশোকপা মকমদা থোমজিল্লগা ফিজেৎ অঞ্চবা অমনা চেৎনা পুনশিল্লো। মসিনা ঈ থোকপা থুনা থকনি অমস্তং অশোকপা অদু থুনা তাইশিন্নগনি, লাইজৌরোই। হিদাক অসি লোংথৈ মরুনা পানবা কাওবদা হিদাক অতৈ কংত্রবস্ত শীজিন্নবদা কাম্নৈ। শুমু-ইরু কংত্রবস্ত হোংউ নত্রগা পাখোক মহীদা শীজিন্নবা য়াই।

"হা"

সংস্কৃত :— বারাহীকন্দ, গৃষ্টি, চার্ম্মকারালুক।
হিন্দী :— গেংঠী ;
বাঙ্গালি :— শুকরকন্দ, চামার আলু, চাম-আলু;
চুবড়ি-আলু, চু-বাড়ি আলু।
ইংলিস :— Sativa

হা—হা মখল অনি লৈ :— (অঙাংবা মখল জাৎ অমা) অঙৌবা মচুপ পোৗবা জাৎ অমা মসিবু ওক-হা হায়না খঙৈ।

মগুণ :— চাবা তুম্মী, নোয়হল্লী, লাইথুং অচৌবদা চাবা কাৈর। থ্মপেৎ তৌই, খাচোক তৌই, ককই, থোংলগা শারি-শারি তৌই। রসায়ন্নী, বীর্য্য, আয়ু, খোজেল, কুচু, পাজ্জল, মৈ হেনগৎলি, লোক, চৌক-খোৎপা, অর্শিং য়াযম নাবা কৈ, পুকী—তীল লৈবা ওমদে। হিরম থুদিংমক্তা কায়বনা হেল্লি, খায়নদগী শীজিন্নরকই।

"কেগোম্নান্নী"

সংস্কৃত :— জয়পাল
হিন্দী :— জামালগোটা
ইংলিস :— Purging croton

মগুণ :— মহাক অসি লুম্মী, থোক হামদোকহনবগী শক্তি লৈ অমঙুং মৈ, ঐশিং লুপথহল্লি। মসি শীজিন্নবদা য়াম্না নুবা

হীদাক্সি। শুক্কোন তৌত্রবদি শীজিন্নবা য়াদে, মগাক শীজিন্নগে হায়রবদি শক্কোম অনৌবদা য়াম্না মুম্না ফুম্রেক্রপা শীজিন্নগদবনি মহাকপু মৈতৈ মাইবনা থায়নদগী হৌনা শীজিন্নবকই মহাক্কী মখিংবু জীব-সঞ্চরিণী হায়নস্ত কৌরে।

গুণ মরু অমগা কেগেমানবী মরু অমগা কুপ্না তকথায়রগা কোন্দেরা তৌবা মতমদা খোঙলক্কা খুজিন-থাঙনা লেন্নথায়রগা ঊ-শজিক্কুং কংলবদি খোঙ খুৎকী চিংথৎপ্রবা মিছুন অম্মু চিংথবা ঙমই হায়দুনা কেগেমানবীবু ইনজেক্সনগুম্না শীজিন্নরমই। কেগে-মানবী মম্না, মকুস্ত কুৎলগা থকপদা খোঙ হামদোকহল্লি। মহাক্কী মরু অসিনা মুন্দনা লৈবাক্তা কেক ভাবদা, লৈমুংদা কেক্তা চঙখি। কেগেমানবীগী অকোয়বদা তৌতুনা য়েংবদা ফুট তরুক (৬) ফাওবা লুনা তানবদা মরু লৈরমই। ফুট ৬ তা লৈরস্বা অন্নুনা চহি ৬ গুরে হায়বা খঙনরে। লৈমুংদগী অচঙবা মরু অসি শুক্কোন তৌদনা কুপ্না তকথায়রগা পোংলী উরীগী মখোমগা তিন্নরগা তেনজিন্দা হাপ্লগা তেন কাপ্নদা শা-কৈ, উচেক-বাম্না, শীওইবা অমম্নুং জীবপানবা খুদিংমক পানবু পাম্লবদি হেক্তা শি। অদু নত্রগা তেনজিন্দা হাপ্লগা কাপ্নদস্থ অত্নুম শি। মসি থাম্নবৈঙদা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরমই। কেগেমানবী মরু ১গী শরুক ৬ (তরুক থোকপগী অমা) তেরাবাও তীপ অমা, হঙাম থাঙগা কুপ্না তকথায়রগা শজিক্কা মুখিৎ-নিনি, হুমনিদং তৈবদা শজিক শিহনবা ঙমই, তৈবদদি হকচাংদি শোকহন্দনা শজিক মতোন্দা তৈগদবনি।

"নিম্ব"

সংস্কৃত—নিম,

হিন্দী—নিম্ব,

ইংলিস—Neeb tree

মগুণ :— ভারতকী লোন খুদিংমক্তা নিম হায়রগা অমুম খঙনরে। মৈতৈলোন্দসু নিম হায়রগা অতুম খঙনরে। থায়নদগী থৌনা নিম অসি মৈতৈ মাইবশিংনা হীদাক ওইনা অমুম শীজিন্নরকই। নিম অসি মথল অনি গুই। (১) মনা কুপ্পা অচুগা মহৈসু কুপ্পা জাৎ অমা। (২) মনা পোতক তোবা, মহৈসু থম্না পোবা জাৎ অমা। মনা, মহৈ মম্না পুম্নমক অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। নিমগী কান্নবা অসি কয়ি অমুক হাম্নগনি। ইবনা ব্রাংলগদবনি, মাগী কান্নবতনা হেল্লগদবনি। লায়রেৌ কহন্নবগী শক্তিসু নিমদা লৈ, গুপ্ত রোগদসু কহল্লি।

কান্নবা—নিম মনা অতেকপা গ্রাম ২৪ (কুনমরী) দং লোরগা ঈশিং লিটায় মথায়গা তিম্নরগা কূৎপা মহী অদু লিটার তথায়গী তথায়তং লোরগা হঙ্গাম থাউ অশেংবদা শোক তৌরগা কুরি থুংবা উনশাগী অনাবদা মগি মঙারক্তং তৈরবদি কুন্নি-কুন্নাং ইন্নায়-লায়না কহল্লি। খুহিংদনা হঙ্গাম থাউগা শোক তৌবা

মহি অহু চা-চামচ ১০ দং লৌরগা গুনু গ্রাম ৩ দং তিন্নরগা থৈরবদি থুহিংনু কহল্লি। তৌবদদি থুহিং থুংলিবা মী অহু মানা থাগুক্তবা ওন্না ঈশিং অশাবদা মিনিট ১৫ তাংগদবনি। তাংবো হেক লোইরগা অরুম্বা ঈশিং, অঈংবনা পোপ পোপ ফুত্রনা চামথোক্কদবনি। কেক্রুনা শেংনা নোইথোকপা, নোইথোক্লগা নোংমদা অনি অহুমক থৈরবদি, সুমিং ১০নি মুক্তং থৈবদা থুহিংনু কহল্লি। নিম মনা অতেকপা মহি চামচ ১, চন্দ্রা মহি চামচ ১, থোইহি চামচ ১, ঈশিং চামচ মঙা (৫) গা তিন্নরগা সুংত্তিগী চাকচাতোকপা মতুং-মতুংদা থক্লবদি পাৎপা পোক্তনু কহল্লি, ঈপাই থীকায়নু কহল্লি। গোনোরিয়ানা ফিক্তৌ চৎপা কাওবা কংল্লি। থাতু লায়হৌদনু সুৎমিৎ ১০নি মুক্তং থক্লবদি থাতু লাইহৌ কহল্লি। নিম অসি শুকত্তানি ওইনা চারবনু য়াম্না কৈ। চহি ৪০, ৫০ শুরকপা মীনা নিম মনা ত্তৌরগা সুত্তিগী চারবদা ফুরি ফুরাং থুংবা ঙমদে। মহু পানবনা চৌক্লকাওবদা হু কাবা ঙমদে। নিম মকুগী মকুপ গ্রাম ১২ উচিথী মকুপ গ্রাম ১২ কৃপ্না তকথারগা, অনি অহু ত্তিনশিন্নগা, অমুক চাবদা গ্রেন ১২গী মরুমগা থোইহি চামচ ১গা নোংমদা অনিরক-অহুমলক চাবনা সুমিৎ ১০নি ২০নিমুক চারবদি অকনবা লোকী অনাবনু ফহনবা ঙম্মী। গুহু রোগদা নিম মকুপ তোলা ১ কালিচিরা তোলা ১ অনিহু ত্তিনশিন্নগা অমুক চাবদা গ্রেন ১২গ থোইহি চামচ ১ গা নোংমদা অনিরক-অহুমলক চাবনা থ অনি, অহুম চারবদি "গুহু" রোগ উনশাগী অনাবা ফহল্লি।

"কাংহু"

সংস্কৃত- মহাভরীবচ্   হিন্দী- কুলঞ্জণ্

মগুণ—কাংহু অসি মণিপুরগী মক্কম খুদিংমক্তা হৌই। চারগা অশাবা পোকই, মনম মুথশি, লোক অমসুং লোক খুবা ফহল্লি, খোরী অমসুং চীন শেংহল্লি।

কান্নবা—খোনাউ নাবা, পোম্বদা কাংহু কুৎলগা (মরু শীজিন্নগদবনি) গর গর তৌদুনা খোনাউ অমসুং চীন তে থোকপা কৈ। কাংহু কংহল্লগা শুগাইদুনা মকুপ লোরগা গ্রেন ১২গা, খোইহিগা তোন্দুনা চাবদা খোনাউ চাথৎপা, পোম্বা (তোনশিন) লোকখুবা, খেবা ফহল্লি অমসুং মৈ কলহল্লি। খোনাউগী অনাবা লৈবা মীনা কাংহু চাবা য়াম্না কাম্মৈ। কাংহু মকুপতু ওমু অতেকপা লোরগা তোত্তুনা চাবদা তীল ফোবা কৈ। কাংহু মহী চামচ ওখায় অমা খোইহি থরগা তিন্নদুনা পীখক্লবদি তীল লৈবা কৈ, তীল ফায়দোকহল্লি। হীদাক অসি চহি ৩ শুবা অঙাংদগী হৌনা শীজিন্নবা ঙাই। মসি মীয়োলবীনা চাবদি য়াদে, অঙাং লাইয়ৈ চৎকল্লি।

"তেরা"

সংস্কৃত-মোচা; রক্তপুষ্পা, হিন্দী- সেমর; শেম্বল বাঙ্গলা সিমুল, তুলা ইংলিশ—Bombax Malabaricum

মগুণ—তেরা হায়বা অসি মণিপুরদা মথল অনিথোক্লা কংই। তেরা অঙাঙবা অমা, অঙৌবা অমা। অঙৌবসিদি য়াম্না

তাঙনা হৌবা পোৎশক্তি। তেরা অঙাওবদি মকম খুদিংমক্তা কংই। তেরা হায়বসি তুবী লাইরেল চাগোক্তি। থায়নগী অহল-লমম্বা হকচাং ফুরি-ফুরাং, অপাৎ-অনোম য়াম্বা খুদোংথীবগী মশক ওইরক্লবা কালদা তেরা মখোঙদা কি অমমা শেৎচিন-ন্বিরগা জগোইবং শাবদা কহল্লি হায়তুনন্তু তৌনরম্মী। তেরা অঙৌবগী লেক্ষ্ কংহল্লগা কুপ্পা পাউদর তারগা শঙ্গোমগা চারগা কুচু কুমেন ফজহল্লি, কোকঙাওবা কহল্লি, কপ্পী কহলি হায়তুনা শীজিন্নরম্মী। তেরাগী মপালনা শঙ্গোমগা চারগা মুপীগী ফিঙৌচৎপা কহল্লি হায়দুনা চানরম্মী, ঈ কাওবা শেংদোকহল্লি, থাতু মুংশং কহল্লি।

কায়বা- তেরা অনৌবা চহি অনিরোম শুরকপগী লেক্ষ্ অদু কংহল্লগা কুপ্পা পাউদর ওইনা তাহল্লগা, অমুক চাবদা গ্রেন ১২ গা, শঙ্গোম লিটার ½ গা চারবদি কোকঙাওবা, কুচু-কুমেল অমসুং ত্রেন ফহল্লি। কোকী লায়না কয়ামুক কহল্লি। লোমদা অনিরক চাবনা মুম্বিৎ তরেৎনি-নিপাল্লি চাগদবনি। তৌবদদি শঙ্গোমদু ত্রোং-ত্রোং শৌহনগদবনি অদুগা লুস্-লুস্ শানা থক্কদবনি।

২। তেরাগী মকুগী কায়বদি মকু অসি তক্লগা চিনি অঙৌবগা শঙ্গোমগা তিন্নরগা থক্লবদি ঈশিং চৎপা বেরা তৌবদা ঈশিং পৌহল্লি।

৩। তেরাগী নৈগী কুয়োম অসিনা অহিংদা ঈশিংদা তীংলগা অয়ুক্তা কিদা চুমখোক্লগা মিশ্রি হাপ্লগা থকপদা ঈ কায়বা,

অমাংবা য়েখৎপা, অথিনবা অসিনচিংবা চাকথাউগী লায়না কয়াম্ভ ফহল্লি।

৪। তেরাগী মপাল শুবগী মহি গ্রাম ১২গা, মিশ্রি গ্রাম ১১গা শঙ্গোম মিটর মথায়দা হাপকদবনি। নোংমদা অহুক থকপদা চা চামচ ১০/১০ (তরা/তরা) অমমম থকপনা নোংমদা অনিরক থকদবনি। মুমিৎ তরেৎ-নিপাম্নি থকদবনি। মসিনা মুপীগী কিডোচৎপা, চীকপা,-খোৎপা, খোঙ হাম্বা বেরা তোৗবা ফহল্লি।

"মুকথ্রুবী"

সংস্কৃত—তুম্বুরু; তেজবতী
হিন্দী—তেজবল

কান্নবা—মুকথ্রুবী মণিপুরদা মরাং কায়না হৌই। মসি লোক শরু থবেং-থবেং হোনবা, খুবা অমসুং চৌনগী অনাবা কয়া ফহল্লি। মসি চাবদা শাই, খাতক তৌই, অশাবা বীর্য্যনি, চাবা তুমহল্লি, চানীংহল্লি, বৈ-কলহল্লি অমসুং মুংশিংকী লোয মাঙহল্লি। মুকথ্রুবী মনা ফুৎপগী মহিনা চৌন তেংথোকপা অমসুং উস্বা, য়ারি য়াথোং নাবা চিন নৈ নাবা ফহল্লি। মহিদুনা চা-চামচ ১০ (তরা) থকনি। মনা, মকু অমসুং মুন্না ফুৎপগী মহি চামচ অহুম থোইহি চামচ অমগা তিমরগা নোংমদা অহুমলক মরিরক থক্রবদি মুংশিং অশাবা, লোকখুবা অসিনচিংবা ফহল্লি

অদুগা মৈ কব্বদ্রি। মুকথ-বী মরাক্ত অমা অনি অস্তম উপ্পা ঙুংশিং অশাবা কাবনচিংবা মাঙহল্লি। মুকথ বী মরুগী খাউ জোবগা কোক্তা তৈবদা শমজাবী ফহল্লি, মনা ফুত্ন্না কোক কুক্ররা শমজাবীগী মহিক শিহল্লি অমস্তং শোক হৌবা কৈ। মনা অচৌনবা লীংজু ওইনা চাবা কাম্মে, খোঙ কাপ্পা ঙুংঙাই, চাবা তুমহল্লি অমস্তং ঙুংশিং অশাবা কাবা কৈ।

'থাঙ্গউরা"

সংস্কৃত :— সারিবা

হিন্দী : সালসা, উপ্পলসরী, অনন্তমুল

কান্নবা :—থাঙ্গউরী অসি মখল অহুম শুই। অঙাংবা, অমুবা, অঙৌবা। মখল অহুম্মকী মগুণ :—চাবদা হাউই, থোংলি, বীর্য্য পোকহল্লি, থীম্না তুমই অমস্তং মৈ শোনবা চানা‍দবা, হাক্লা লোক-খুবা আমদোষ ওইবা, হু চেনবা, নিদোস, সুপীগী কুক্তপ্রদর' লাইহৌ অমদি খোঙকাপ্পা ফহল্লি। থাঙ্গউরীগী মরূবু অনন্তমূল অহুগা মরীনা সারিবা কায়না কৌই। মণিপুরদা অঙাংবা অমগা অঙৌবা অমগদা হৌবা উই। থাঙ্গউরী অসি হৈজোক চীঙদা য়াম্না হৌই। মতম অমদা থাঙ্গচীঙদা য়াম্না হৌরমই। মরম অহুনা মৈতৈ মাইবশিংনা থাঙ্গচীঙদা অকানবা কংবোনি হায়দুনা থাঙ্গউরী হায়না মমিং থোল্লমই। মৈতৈ মাইব-শিংনা মরী অমস্তং মরীসি ফুংলগা অপাং-অনোম, উনশাগী লায়না মৈবা, অপোম্না, ঈ শেংদবদা পীথকনৈ। কবিরাজশিংনা

মুৎলগা আরিষ্ট ৬ইনা লৌহুনা শীজিন্নৈ। মসিগী মতৌগী মরু অহু গ্রাম ২৪ ঊনিং লিটার তংখায়দা মুৎপনা লিটার তংখায়গী অমতং লৌরগা শেংনা চুমথোক্লুনা লিক্লি অমরা থম্নগা, অমুক থকপদা চা-চামচ মঙা-মঙা (৫/৫), খোইহি চামচ ৫/৫ থাপ্লগা, নোংমদা অহুমলক থক্লবদি থাডু নাই-তাবা, নিতৌ চৎপা, থপাৎপা, ঊনশাগী লায়না খুদিংমক কহল্লি অমসুং ঊ-শেংখোকহল্লি। কম্নিগুমা "হু" চেনবা পোৎ চাক্লুনা হকচাংদা অকায়বা লৈরবসু মসি থক্লগা কৈ।

"নোংমাংখা"

ইংলিশ : Adhatoda vasica ;

সংস্কৃত :—বাসক ;

হিন্দী :—বাসা (বাসা)

কায়বা :—নোংমা'খা, মণিপুরগী মকম খুদিংদা হৌবা পাম্বী অমনি। মণিপুরদা নোংমাংখা অসি মখল অহুম গুনা হৌবা উই। (১) ঐখোয়না তোয়না শীজিন্নরিবা মপাল ঙাওনৈনবা শাখা ঙাৎ অমা।

(২) লম- নোংমাংখা হায়বা অমা, (৩) নোংমাংখা উপোংলাবা হায়বা অমা।

(১) অহানবগী নোংমা'খা, মঙাগী থওনরিবা—অদিনা ঐখোয়না শীজিন্নবা হেল্লি।

ঐখোয়গী চুম্নগী নোংমাংখা অসিনা মৈতৈগী উমরক্তা শুক্তানি শেরৈ। নোংমাংখা অসি লোকৌ লাবনা থুদিংদা কাদৈ। মসিনা লোক থুবা, লোকথুংবা অমসুং মাল-অংথম শৌজিনবদা অঙকপা ফংনা কাদৈ। নোংমগী চাক-চাবা মতমদা মনা ২/৩ মং নত্ত্রগা মপালনা শিংজু চাবা, লোক চেনবা মীশিংগীদমক য়াম্না কাননবা ওৌদাক্কি। নোংমাংখা মকু গ্রাম ২৪ গা ঈশিং লিটার অমগা ফুংপনা লিটার মখায় অমতং লোবা, ফুংপা মতমদা উচিথী মপুমচু কুপথলগা গ্রাম ২৪ গা হাপচিনবা মতুগী মহৌদু শেংনা চুমখোক্তুনা ঈংথনগা লিক্লি অমদা মথুম চেংনা থুমচুনা থম্নগা শৌজিন্নগা।

শৌজিন্নবগী চাং - অমুক থকপদা চামচ ৩ (চা-চামচ) খোইদি চামচ ১, নোংমদা ৩ লক থকদবনি। মসিনা লোকথুবা কহল্লি, লোক-খোকহল্লি, ঈশিং পৌকল্লি, অমাংবা মপুক্ত কাকল্লি, লোক চেনবা মীশিংনা শৌজিন্নবদা থাইদগী কেন্না কান্নবনি। ওৌদাক অসি ফুংপদা সুমিং নিনিম্নী, অমুক্তা কুংপা য়াই।

(১) লম নোংমাখাগী কান্নবা - থায়নদগী কৌনা অহলশিংনা মনা অচু কুংলগা মুন্নকপা মতমদা মনা অত মহৌ শুমখোক্তুনা লৌথোক্লগা, মহৌ অহু খে শানা, নঙ-নঙ লাউনা লোন্নগা লুম্ব লুম্ব শাবা অচুনা অন্দকোষ (বুধ্নি থাউ চাউথোকপা) দা কংঙ-কৈরা, কংঙ-কৈরা, কৈবনা সুমিং ১০ নিমুক কৈরবদি অনাবচু ফংবা ঙমই। অচুগা চুম্নগী অপোম্বদমু কৈবদা কাদৈ।

নোংমাংখা উপোংলাবা—মশিগী মশুপ থবা তোমী, মপালনা শীনবগুম তৌই। পুক-থিনবগী মরমদা মপান অমি থুম থরা হাপ্লগা ফুত্তুনা থক্রবদি কৈ। চিনিগা থক্রগা চীশিং পৌই। মনিলনা পুক নাবা কহলি অমস্তুং চাবা তুমহন্নি। মশি থায়নগী অহল লমনশিংনা য়াম্না শীজিন্নরমই।

"তেলহৌদাক"

সংস্কৃত: পাঠী, ব্যাল, চিত্রক ;

হিন্দী:—চিত্রক, চিতা ;

ইংলিস:—Plumdago zeylanica ;

কান্নবা:—তেলহৌদাক অসি মথম অমি শুই, মশাতনা অমস্তুং অচৌবা। মথোয়শিং অসি মণিপুরদা য়ামা ফংই। (১) তেলহৌদাক অচৌবগী কান্নবদি হকচাংদা, কবিরুপা মকম অমদা মহাকী পাম্বী মরু অসি ঈশিংদা তক্লগা তৈবদা পোকথায়।

মরম অসিনা হকচাংদ কবিরুপ্পা মকম অমদা পাম্বীগী মরু অসি তৈরবদি পোম্বা হৌগৎলকপদনা ঈশিং হাপ্লগা অপোম্বা মাশুহন্নি, নাই চারবদি নাই তাংন্নি। থুহিংগী অরাবদা মহাকী মরু অসি তক্লগা থাউ অহিংবগা তোত্তুনা তৈবদা কৈ। হকচাং চাউখৎপা (নিপাগী মরুম) অন্দকোম অসিদ তেল হৌদাক অমস্তুং উচাল মচি, তক্লগা তৈবদা য়াম্না কাঙৈ। মথক্তা কায়শ্রিবা অসিগী মতৌশুপা তেলহৌদাক অশাঙবদি শীজিন্নবা য়াদে। মহাক্না মশুপ কনবা হেন্নি, কবিরুপ্পা হকচাংগী শরুক

অমদা মতু পানবা তীবনা চিকপ্রবদা মহাক অসিগী মহা অসি অক্পা তৈবদা 'হু' হাওই। তৈক্ম চাদবা মকমদা তৈরবদি মী পি। কনাগুবা মীনা মহাক অসি হীদাক কাহৈ হাম্বজুনা মশা বাই-শংবী (সর্ভিসীগী) মুমদা থম্লবদি অচাং লাম্বহৈ চংকদ্রি। মহাক অসি শীজিন্নবদা বৈদ্যশিংগী বাখল লেপ্পবা মাদে।

"নিংথৌখোংলৈ"

ইংলিশ :—Tinospora Cordifolia;

সংস্কৃত :—গুলঞ্চ, গুড়ূচী :

হিন্দী :— গিলোয়

মগুণ :—নিংথৌখোংলৈ অসি মণিপুরদা মরাং কায়না কংলমমু শীজিন্নকম থওনা অরেম্বদা মাওবনা অয়াম্বনি। মসি চাবদা শাওক তৌই, থায় অমম্তুং ককই। মুল্লগা অমুম্বা রস পোকই, রসায়ননি, কাজনবগী শক্তি লৈ, অশাবা বীর্য্যনি, থুনা মুনই, পাজল পী, বৈ কলপলি অমদি ত্রিদোষ মাওংলি। নিংথৌ খোংলৈ অসি আমদোষ ওইপা, খোরাংবা, চাকপা, লাই ত বা মুবা, নাপুকাবা, লাইপং, ঈ মুংশিং তেনবা, লাইতৌ, তৌনগী অনাবা, অনাবা তারা, মুংশং, ওবা, ঈশিং লিকপা অমমতুং থম্মোয়গী অনাবা মাওংলি। নিংথৌখোংলৈ অসি মণিপুরদা মথল অমি হোৌবা উই। মচুদি :—অঙৌবা জাং অমা অমমুং অচাওবা জাং অমা। নিংথৌখোংলৈ মুসীগী ঈ-হাথবদা কমবা হৌদাক্রি। নিংথৌ খোংলৈ অচাংবদি চৌংগী উপিংদা মেম্বুনা হোৌই, মরা লৈবা কা জাদে। মসি মচু চোমই অমম্তুং চাবদা লেংলি-লেংলি তৌই।

কাম্নবা ঃ— নিংথৌখোংলি শুবগী মহি চামচ অহুম, চেঙগী চা·চামচ মঙাদা য়ানশিন্নগা থোইহি চামচ ভংখায়মুক হাপ্লগা থকপদা, নাইহি ভাবা, ঈ কায়বা, মুপীগী "ঈ" হাথবদা করবা চীদাকনি। নোংমদা অহুম্নক-মরিরক পীথকনি। মসি মুপী, মুপা অমমুং অঙাং থুদিংমক্তা কাম্নে। যণ মগ্নাং কংবা, তীল চঙবা, মথী কাম্নবদা নিংথৌখোংলি মকক-মকক করুগা শুগায়দুনা কালানিমক থরগা তোত্তুনা পীজরবদি কৈ। মথী ওইনা লৌরবমু য়াই। নিংথৌখোংলি অশংবা অহু শেংনা চামথোক্লগা উগী শুম্বলদা নীংথিন। কুপ্না শুগায়রগা নিংথৌখোংলিগী গ্রাম ২৪ গা ঈশিংদা হাপ্লগা নীংথিন থুংনা য়াম্না নোইরগা কি অপাবা অমদা চুমথোক্লগা পাত্র অমদা হাপ্তুনা অতিং অম থম্নগা, মহু নোংঙাল্লগা ঈশিং অহু তপ্না কৈদোক্তুনা মখাদা ফম্বা কোলি অহু লৌরগা পাত্র অমদা হাপ্লগা ফিনা কুপ্তুনা শুংশাদা কংহনগনি। মসি নিংথৌখোংলিগী মচি ওইবা (সত্ব) কৌই। মসিনা লাম্নবা কয়ামুক্তা অতোপ-অতোপ্না শিদাকা লোয়ননা চাবা য়াম্না কায়হল্লি।

নিংথৌখোংলিগী য়ু ঃ— নিংথৌখোংলি অশংবা কিলো অহুম মখায় নীংথিনা শুগায়রগা ঈশিং কিলো কুন্থ্রাদা হাপ্লগা য়ু শুংনবা মঙ্গদা শুংলগা মসিগী য়ু অহু লৌরো অহুগা পীক্লিদা হাপ্লুনা থমলো। য়ু অসি গ্রাম ১২ গা ঈশিংগা মাম্ননা য়াল্লগা নোংমদা অনিরক থকপা, মসিনা থাতু-নাই তাবা, ঈ ওবা, অক্লম নাইরো, ভাং ভাং চৌকপা, ঈ মুংশিং থেংনবা, ঈশিং চৎপদা অপুবগী শরুক হেনবা (মধুমহে) অসিনচিংবা অনাবা কয়ামুক

ফহনবা ওমই। মধুমহেন্গী ঈশিং য়াম্না কোবদা যু অসি গ্রাম ১২ ঈশিংগা য়ামদুনা পীথক্লবদি ঈশিং কোবা ফৈ অমমুং ঈশিংদা অথুবা য়াওবা চাং কম্হরকই।

"ওক্হা" (হারুম)

সংস্কৃত :— বারহীকন্দ, গৃষ্টি, চম্মকারালুক

হিন্দী—গেংঠি

বাঙ্গালা :— চামার আলু, চামালু, চুবড়ি আলু

ইংলিস—Dioscorea

মশক তাকপা :— অনুপদেশ (ঈশিং খর নীংথিনা যংব লম) দা খরা হেম্না ফংঙি। (পত) পান-মনা মান্নী, ইঞ্চি ৮, ১৬ শাংই, ইঞ্চি ৪ ৮২ পাকই, মতোন ত্তুমথৈ। মতাং-মতাংদা আলু মচাগুম্বা মহৈ পাল্লি। মকদি চাউই, ওক্নী মমাঙ্গ মকোক মাল্লি, ওক্নী অপোবা মত্তুগুম্না কুংনা কৌই। লৈদি নাপু ঙোকনৈ, ফুলনা অশংবা নত্রগা নাপু হাইকেং মাল্লি, (কন্দ) অঙোবা অঙাংবনি।

মগুণ :—থুমপেং খাতক তৌই। পাক তৌরগা কটু ওই, শারি-শারি তৌই। রসায়ন, বীর্য্য, আয়ু, বর্ণ, পুক্নী মৈ, পাংগন, পিত্ত হেঙ্গৎলি। কফ, কুষ্ঠ, বাত্ত প্রমেহ, ক্রিমি মাঙহল্লি। হা হায়বসি মথল য়ামই, মৈতৈনা মরি চত্তুনা পানবা হা অসিবু থায়নগী অমাইবশিংনা "ওকহা" হায়না খঙনৈ।

মণিপুরদা হা মখল ৪ থোক্লা কংই। লৈমুংদা হৌবা, ঐখোয়না অয়ুক নংদাংগী চানরিবা "হা" অসিদা অঙাংবা অমা, অঙৌবা অমা। "হা" মরি চত্নুনা পানবা হারুমদগী অঙাংবা অমা থোকই।

N. B. মণিপুরীনা "হা" হায়বা অসিগুম্বা মখোয়গী মরোল্দগী "হা" হায়বসি অয়াম্বা মমিং মাৈন। ওকহা হায়বসি মমিংদি য়ামই, হিদাক্তী মনা থ্বাইদগী কান্নবা হেল্লি।

"তেকখাও য়াইখু"

হিন্দী :— কচুর

সংস্কৃত :— একাঙ্গী;

ইংলিস :— Curcuma gedoaria

তেখাও য়াইখু অসি মঙাঙডৈগী মৈতৈ মাইবশিংনা হিদাক ওইনা শীজিন্নরমই।

মগুণ :— শংজক, খাজক তৌই, মনম মুংশি, লৈ খাগৎলি, য়াংই অমসুং মৈগী শরুক কনহল্লি।

কান্নবা :— লায়খুং, ঈ কহবা, মুংশং, অপোম্বা, লোকখুবা, লারা, পৃক্তা মতুম কাবা, মুংশিৎ, ঈশিং অমসুং তিনগী লায়না কহল্লি।

১। মঙৌ চামচ অমা, থোইহি চামচ তংখায় অমা, ঈশিং আউন্স তংখায়গা তিন্নরগা থক্রবদি পুক্তা মতুম লৈবা কহল্লি। হিদাক অসি মুমিৎ ১০ নিমুক শীজিন্নগদবনি।

"শিঙ্গাহ খোঙ্গাহ অন্ডা"

সংস্কৃত :- কণ্টকারী ;

হিন্দী :— কণ্টৈলি

ইংলিস :— Solanum Xanthoc rpum

মগুণ:— মৈ কহি, খাত্তক শাত্তক তৌই অমদি জীব শেন্নমবা শক্তি লৈ, নোই-পেলহনবগী অমসুং থুনা তুমহনবা অসিনি।

কান্নবা :— লোক থুবা, হাবা, লাইহৌ, মুংশিং, তিন অমসুং থম্মোয়দা নাবা কহল্লি। চা চামচ মরি পোইহি চামচ অমা, ঈশিং আউন্স তংখায়গা তিন্নরগা থক্লবদি, লোক অমসুং লাইহৌ কহল্লি।

"লাহঙ্গল পোম্বোহ খোঙ্গ'

সংস্কৃত - শালপনী ;

ইংলিস — Desmodium Gangecticum

মগুণ :— ককত্তক তৌই, য়াকত্তক তৌই, চীন্দা রস লৈ, রক্ত-মুখোপনি।

কান্নবা :—ঈ শেংদোকহল্লি ফুরি ফুরাং অমদি অণা -অনোম থাডুগী লায়নাদা কান্নহল্লি। ঈশিং লিটর তংখায়দা মরু, মশা, মনা পূম্না গ্রাম ২০ দং ককথহলগা ফুৎপনা শরুক অহুম থোকপগী শরুক অমা লৌয়গা, নোংমগী চা-চামচ ৫/৫ থকপনা মুমিং ১০ নিমুক থক্লবদি ফুরি-ফুরাং লায়না কল্লি।



"লৈপুং খাংঙা"

হিন্দী :- কটাই ; সংস্কৃত :- ভূঁইজী ;

ইংলিস :-Solanum Indicum ;

মগুণ :—চাবদা থুনা তুমই, শাতক-খাতক ভোই।

কান্নবা :—লৈপুং খাংঙা অসি অকল-লমংনশিংনা যোংলগী চানৈ। মসিনা থী ফান্নবা, ঙী ফত্তবা, লাইবৌ, লোকথুবা অমস্তুং পুকতা চাকপদা কান্নহল্লি। অকংবা মকুপকী গ্রেন ১০, খোইহি চামচ অমগা নোংমদা অহুমলক চাবনা, সুমিং ৩০ মিন্নুক চারবদি লোক লাইবৌ কহল্লি অমস্তুং মৈ চাওখৎলি। করিগুম্বা লাইবৌ ভোরবা মতমদা লৈপুং খাংঙা মবৈ অহু হেক্রগা চারবস্থ কৈ।

"জীরা"

সংস্কৃত :—জীরাক রুক জীরা;

হিন্দী :- কালি জীরা ;

ইংলিস :-Cumin Seed ;

মগুণ :—চাবদা য়াংবা, লৈ-থাগৎপা, অশাবা, অহুম্বা চেল্লি।

কান্নবা :—মৈ কল্লি, থুনা তুমই, পিত্ত হেক্তহল্লি, মেথা পোকই অঙাংগী থাউ (গর্ভশোয়) লেংই, শাচকল্লি, পাকন হাপই, ওলিংবা, লোকথুবা, সুংশিংবা "ঙী" মচিং থঁচিং কাবনা থীনগী লায়না ঙী কাবনা, থাতুঁ থাইতাবা, মীশিং ইৎপা মেক্রা

তৌবদা জীরাসি ঈশিং পৌবা অমদা গ্রাম ৬ (তরুক), মামনাং পুং ৭ তগী তীবনা অযুক পুং ৮ ফাওবা তীগনি। অতোংবা মহি অত চুমথোক্লগা লিকলি অমদা কাপতুনা থম্মগনি। আউন্স ২ (অনি), থোইহি চামচ অমগা তিম্মডনা পুমিং খুদিংগী থকুবদি পাক্কল কলহল্লি, খোঙহাম্বা মপুঙ ফাকল্লি অর্দি ঈশিং পৌকল্লি, মিং-নাপু কাবা কহল্লি। মসি পোঙ খুং অমসুং পুক কংথংপা লায়নাদা নীঙিজম্বদা, থাম্বা কাম্বকল্লি অমসুং থগোয়ম ফহল্লি।

"কপূর"

সংস্কৃত :—কর্পূর ;

হিন্দী :—কপুর ;

ইংলিস :—Camphor ;

কপূর অসি মণিপুরদা মখল অনি শুই।

মগুণ :—ঙংই, মিংকী লায়নাদা কাহৈ, য়াংই, মনম মুংশি, খুমতক-খাতক তৌই।

কান্নবা :—অঙাংশিংগী তীল লৈবদা, চহি অমগী অঙাংদা, কপূর মনা শুবগী মহি ড্রোপ ১০, থোইহি ড্রোপ ১০ গা তিন্নরগা পীথকপদা তীল ফায়দোকহল্লি। অহলদদি কপূর মনা শুবগী মহি চামচ ৪, থোইহি চামচ ১ তিন্নগা নোংমদা ২, ৩ লক থকলবদি মিংকী লায়না মুংশিং, মৈ, ঈশিং চুপ থাম্বনা চংহল্লি অমসুং ঐ শাম্বা লায়নাদা কাহৈ।

"পানামনা"

সংস্কৃত—পান ; হিন্দী—পান ;

ইংলিস—Betel

গুণ :— য়াংই, হঙ্কার ৬ই, শাই, য়াক্কক তৌই. অথাবা মঙ্গম্ম হৈ।

কাম্মরা :— মৈতৈগীদি পানামনা অসি তুবি লাইরেল চাংগাকনি। লোক থবা, লোক লাইকৌ, থোজেল তাবা, চাবা তুমদবা, চাকখাউ ফংতবা, মৈ শোনবা, পিত্ত কলহন্নি লোক য়াম্না থুবদা পানামনা অত্তু অমুক চাবদা পানামনা অমমম নোংমদা অত্তমলক চারবদি লোক য়াম্না থুবদা লেপ-হনি, লোক থোকহন্নি। ঊশৈ তৌবগিংনা ঊশৈ শকলমদাইদা সিতামিশ্রি থরা হাপ্লগা পানামনা চারবদি থোল তাবা কহন্নি, থোল থরা ফগৎলক্কই। ঊশৈ শকলম-শকলমদাইদা চাবা য়াম্না নৈ। লাইরিক থীরমদাইদা কেক-কেক চানৈ। হকচাংদা মনা-হিদাকী শরুক নৈলবদা পানামনানা মাঙহন্নি। মনাহিদাক চাইথোকপ্রবদা পানামনা মথোক্লা লোইনা ফাত্তুনা লৌবা ওমই। লোক নৈবা কাওবুনা পানামনা অসি শীজিন্নবদা য়াম্না কানৈ। কেলসিয়মগী শরুক মপুংকানা য়াওই. পানামনানা মনাহিদাকমু মাঙহনবা ওমই। পানামনা শুবগী মহি চা চামচ মরিদা থোইহি চামচ অমা হাপকনি। নোংমদা অত্তমলক থকপদা মুমিৎ ৪ (মরিল্লি) থক্কবদি লোক থুবা কহন্নি।

"কস্তুরী"

সংস্কৃত :—কস্তুরী ; হিন্দী :—মৃগনাভী কস্তুরী ;

ইংলিস :—Musk ;

অসেংবা কস্তুরীদি কেতুকী মনমগুম্না মুংশি, মচু মুশিল মুই।

কান্নবা :— ঈশিং চৎপা মুংঙাইহল্লি, থসোকপা কল্লি, লোকখুবদা কৈ, মৈ, মুংশিৎ কনহল্লি ওবা থিংই, থম্মোয় কহল্লি, পাকল কনখৎহল্লি, হকচাংগী শক্তি পোকহল্লি, চাবা তুমহল্লি, চানিঙবা পোকহল্লি, পুক কংখৎপ, মুংশং, অথিনবা পুকী অনাবা কহল্লি, খোক্লেল তাবা, হমাং যাম্না খোকপা, মর লোনবদা মুংঙাইহল্লি, হকচাংস্ত শাগৎহল্লি,।

কস্তুরী অসি (দমা) হাম্না, হায়বা লায়নাদস্ত শীজিনৈ। চাবদা স্বর থবেং থবেং লোনবদা হন্থল্লি। আন্ত্রিক জ্বর, থুমাই লাইফা (টাইফোইড) হায়বা লায়নাদস্ত কস্তুরী শীজিনৈ। অচৌবা, নিউমোনিয়া লায়নাদা শীজিনৈ। কস্তুরী অসি আয়ুর্বেদশিংগী মরুওইবা হিদাকনি। অতোপ অতোপ্পা লায়নাদস্ত মরুওইনা শীজিনৈ। হকচাংগী মিহুন পীকথপ্রবদা কস্তুরী শীজিনৈ, যাম্থবদস্ত শীজিনৈ, থম্মোয় শোম্থরক্লবদস্ত শীজিনৈ। কস্তুরী গ্রেন (২) সিদ্ধ মকরধ্বজ কর্পূরগা অনিম্ন থরুপদা মিনিট ২০ মুক তরুগা কস্তুরী গ্রেন অনিহুনে, খোইরি টাঙথ অমা লাপচিন্নগা নৈথাররগ। পীথরুবাদ, যাম্থবা, পঙথবা কৈরেং লাইপ্রবদা কহনবা ওমই। কস্তুরী অসি লৌকিক ভারতকবিরাজ ডাক্তরশিংনা কাম্নবা ইফেক্টস ওইনম্ন পুথোক্লে।

"অঙ্গুর"

মৈতৈলোন্দা :- অঙ্গুর　　সংস্কৃত - দ্রাক্ষা, কিসমিস

হিন্দী—মুনাক্কা, দাখা　　ইংলিস—Grape

মগুণ :—মৈংই, থাংই, লুবই।

কান্নবা :—মিৎকী লায়মা, হকচাং শাঙ্গল মম্বেং তাবদা কহল্লি, বীর্য্য, হেনগৎহল্লি, থবোম্বী ফহল্লি, ঈশিং বাৎপদা ঈশিং পৌহল্লি, টি-বিগী লায়নাদসু কৈ। মসি আয়ুর্ব্বেদ কবিরাজশিংনা দ্রাক্ষারিষ্ট দ্রাক্ষাসব হায়নসু লৌই। খোজেল তাবদা কহল্লি, ঈশৈ শকপশিংনা শীজিন্নবদা য়াম্না কান্নহল্লি। কিসমিস গ্রাম ৬, খোইফি চামচ, অমা সুমিৎ থুদিংগী নোংমদা অনিরক অঙ্গুমলক থক্লবদি শাঙ্গল মম্বেং তাগনাই, খোজেলসু মাঙলোয়, বীর্য্যসু হৎনগনি।—মসি তঙ্গনা শীজিন্নবদি খোঙহাম্বা সুংতাই, নোয়-পেলহল্লি। চাবা মতুংদা ঈশিং লুম্বু-লুম্বু শাবা য়াউন অনি থকনি, হকচাং মম্বেং তাগনোই।

"বকুল"

হিন্দী—বকুল

হংলিস—Surinam Medler

কান্নবা :—বকুল কষক, থাতক, শাতক তৌই। উনশাগী লায়নাদা, লাইথুং অতৌবা পকপদা কহল্লী, য়াগী-য়াখোঙ নাবদা বকুল অসি কান্নহল্লী। খোঙ-থুৎ পোম্বদা কহনবা মগুণ লৈ।

ঐশিং লিটর মথার অমদা বকুল মকু গ্রাম কুনমরি হাঙ্গুলা কুপ্পগা শরুক অহুম খোকপগী শরুক অমা কোরবা অমুক থকপদা চা-চামচ মরি, মোংমদা অহুমলক থক্কুনা মুথিৎ ৭/৮নি থকপদা, ঐশিং পুকচৎপা কয়রী। বকুল মকু কুৎপগী মহিনা হীগা মৈরবদি অশোঙ্গা হজিনহনী। বকুল মকু কুৎপগী মহি অহুমা চিনপুক্তেংখোক্লবদি মা চিকপা, মা-মাবা কয়রী। বকুলগী মকু গ্রাম ৩ অক্রপা ৬ লা ঐশিং লিটর মথারদা কুৎলগা শরুক মরি খোকপগী মহিচু লৌরগা থরমনগী মরু কুম্রা শুপাইরগা গ্রাম ১২গা তিম্নরগা থাউ অথিংবদা শোক তৌশিনগা, লাইথুং অচৌবদা থা অহুমোম তৈরবদি উনশা চৌখোকপদা কজিন-রকী। মণিপুরদা থরমন, হিন্দীদা বাকুচি, উনশাগী লায়না অচৌবা শকপদা লায়নিংঙাই লৈতনা কাইনে।

"কুসুমটেল"

হিন্দী :—কস্থম

ইংলিস :—Safflower Carthamus Tinctorious

মগুণ :—থুমই, মৈ কাশহল্লি, চাবদা থুনা তুমই, থী, যুং চাং মাইহল্লি, তানগী লায়না, ঐশিং লীকপা, রক্তপিত্ত অমহুং লোক কহল্লি।

কাম্নবা :—অথুবা, অশিনবা, অশাবা ময়নি। কুসুমটেলগী মনা, মগাল পুম্না শুবগী মহি লৌরগা চা-চামচ অহুম, মোইহি চামচ অমা, ঐশিং চামচ অমা থামরগা থকপদা ঐশিং লীকপা কহল্লি অমসুং মৈ কাশহল্লি।

"থাংচুপ"

সংস্কৃত :—খেজুর
হিন্দি :—খজুর
ইংলিশ :—Date Palm

কাননবা :—চুংশিংগী ওনিংবা, খোনাংখা, লাইহৌ, শী কাপ্সিং-মচিং কায়বা, লোকখুবা, হাৱাগী লায়বা, খবাক খেবা, খৱ থবেং-থবেং হোনবা, খোঙ-খুং পঙথবা, চুংশিংবা খুকউ-তাং চীকপা কোক্কী অনাবা নৈবা কয়ল্লি। থাবনগী অহল-লমনশিংনা থাংচুপ মহৈ অসি অচাংশিংগী পুকনাবা কৈ হায়জনা পীজনরমী। পুকনাবা কহনখতা নত্তনা বৈ কলহল্লি। থাংচুপ মক্ক অনৌবা শুগাইরগা ঊশিং লিটর মথায়দা লোনবনা লক্ক অহুম খোকপগী লক্ক অমা লৌরগা চাক তোকপা মতুংদা চা-চামচ অঁমি থকপনা নুমিৎ ১০ নিমুক থক্লবদি খুমা শাবা, কোকচাওবা কৈ

"কোনা অটৈ"

সংস্কৃত :—তাল
হিন্দী :—তাল, তাড়

কাননবা :—কোনা মহৈ অমুমবা, 'চাদবদি মতুপশিং থমহুং লোক কয়রি। ঊশিং লৈমন চৎপনা, ঊশিং লৌবক্কি অমহুং কদি চাওখংলি। কোনা মহৈ অসি অথুবা কাপ্তবি, মুশিং অমহুং লিঙ লেবই। হকচাংগী ইংখেংনবা লেংহল্লি।

"হৈনৌজোম"

সংস্কৃতঃ—কর্মরঙ্গ

হিন্দী :—কমরখ

ইংলিশ :—Carambola

মগুণ :—ইংচি, শিনতক-থুমতক তোই অমসুং চাবা তুমহল্লি।

কান্নবা :—হৈনৌজোম অসি উৎসব তৌবদা অথোন ওইনহু শীজিনৈ অমসুং চাবা তুমহনবগী শক্তি লৈ।

ঈপাই থীকাই, ঈভোন কায়বা, সুংশিং কাবা, খগেবা কৈ। হৈনৌজোম অসি হকচাংদা পকপা লাইকোইদা তৈরবসু কান্নহল্লি। হৈনৌজোম মহি চা-চামচ মরি, চিনি চা-চামচ অতম, ঈশিং চামচ অহুমগা তিন্নরগা থক্রবদি থোক হান্বা, ঈপাই থীকায় অমসুং বথক্তা পীন্নিবা অনাবশিং অসি কৈ।

"মঙ্গে"

সংস্কৃত :—তেঁতুল

হিন্দী :—ইমলী

ইংলিশ :—Tamarind Tree

কান্নবা :—মঙ্গে অসি উৎসবতা অথোন ওইনহু শীজিনবি অমসুং চাবসু তুমহল্লি। কোক তাওবা অমসুং হকচাং কনথংহল্লি। মঙ্গে চাবদা ঈশিং অশাবা থক্রবদি থী' কায়দোকহল্লি অমদি' ঈশিং পোৗহল্লি।

"হৈনৌ"

সংস্কৃত :—আম্র হিন্দী :—আম্

ইংলিস :— Mango Tree

মগুণ :— কসক, শিত্তক ঙৌই, তুংশিন, মৈ "অম্লজ্বর" ঙৈশিং চাং থাহনা লৈকনি।

কাম্নবা :— হৈনৌ অসি শংনিতৈগী থাম্বোক্লগা তুকচাবা, তালি-তালি কংহল্লগা লিক্রি মচিন অরাওবা অমদা কাপচিল্লগা, অশেংবা ওঙ্গাম থাউনা মরেপ তুম্না হৈজৌরগা তুণ মরু-মরাং, কবিগোম মরু, চাং মম্বা থাম্লগা, শিক্তরবন খঙ্ক্ত থাকনি, অম্লবা ভৌনা তীংলগা থঙ্গনা থা ও কুপা থবা থাই। মোংথবা মতুং ১/২ চারবদি মৈ কলংহন্নি, চাবা তুমহন্নি, লোক থুবা কংহন্নি। হৈনৌ অমুনবা মতমদা থবা নিংথিজনা চারবদি কুহু-কুমেন কজহন্নি, কপ্পী কংহন্নি।

"হৈনিং"

সংস্কৃত :— আম্রাতক,

হিন্দী—অংবাড়া

ইংলিস—Hogp'un

মগুণ :— পীক্লিতৈগী ককই, মুলগা শীন্নি, থুমতক ঙৌই, চাবগী ভিনা থোকই, হৈনিং অমুনবা চাবনা, ঈ শেংবা শেংথোক্লবা মকোং পাংই। হৈনিং মচা চারগা ঙৈশিং পুকচংশগা কাম্নবনি। হৈনিং অমা চাবনা ঙৈশিং তুমইবা, থক্লকপি হুকি-থুরাং কংহনি।

"[illegible]"

সংস্কৃত :— [illegible] হিন্দী :— [illegible]

ইংলিশ :— Arto[illegible]rpus Integri[illegible]

[illegible] :— উংবা থোংগা [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] চাবা কাইে। [illegible] [illegible], [illegible], [illegible] [illegible] কায়রি। থৈবোং [illegible] পোংদুনা চাখবদি হকচাং [illegible] পেনহল্লি [illegible] [illegible], [illegible] কাষা [illegible]

"[illegible]"

সংস্কৃত :— পাবেবত

হিন্দী :— পেয়ারা ইংলিশ :— Guava

[illegible] :— [illegible] ককই, মুমগা থুমই। পুঙপোন [illegible] [illegible] চারগা ঊশিং পূকচংপা, ঊতোন কায়বা কৈ। পুঙপোন [illegible] পোংনিংথোগী হাকচা নোংপোকলোমদগী পুরক্লগা [illegible] [illegible] খাখিবনি। পুঙপোন [illegible] চারগা ঊশিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থোও হাযদোকহন্নি, ঊশিং পৌহন্নি অমগুং হকচাং কৈ।

"পোঙ্গোম"

সংস্কৃত :— বদরী; হিন্দী :— [illegible] [illegible]

কায়বা :— পোঙোই [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কৈ। পোঙোই [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

"[illegible]"

সংস্কৃত :— কস্তুরী, হিন্দী :— কস্তুরী

ইংলিশ :— Musk;

মরুক :— থাওরু তৌরি, থাকই, চাৎপা চৈ শাই, [illegible] [illegible] চনবুক্লা সুংগি, কস্তুরী অকয়া মম ওইনা, [illegible] [illegible] লাইনা—পোক থুবা, ওবা, লাইহৌ, ম্বর, [illegible] পোঃরেন, তাবা, হুখাং যাগ্গা থোকপা, শক্তি হৌবা, নুপোমচা [illegible] থুকচু ভাং চীকপা, কোম্ব ভাওবা চৈ ঊশিং, সুংশিংকী, লায়[illegible] কস্তুরী লেন অহুম্ব খোইহি চংচাবহ নমপা, চীনুকপা মোং[illegible] অনীরক পীবকনি। মসিনা লাইহৌ কয়নি, ঊশিং কোং[illegible] চোইরোন লোনবা জ্যান তাথরা কুহনি। অমুহং, ফুৎরা থাবনি।

"[illegible]"

সংস্কৃত :— রসোন

হিন্দী :— লহশুন,

ইংলিশ :— Garlic Root, Allidm Sativum

কাময়া :— অহন ওইবকপা, চৈহি [illegible] [illegible] হৌনা চনব, শীজিনরবদি হকচাংদা যাম্না কাযবা কংগনি। মসিনা [illegible] রোগ সুংশিংকী অনাবীশি যাম্না কাবৈ। হকচাং চিক- [illegible] থইমুং ইকাং শিবনা কহনি, অমদি শিংদ্রিবী শারুন [illegible], মরোন কহনি। [illegible] ([illegible] [illegible]) কাওবা [illegible]

অমসুং থাঙ্গী মচুক শাংই।" "চনমা থিতাথিক "থাং" মখুম কাংনা য়াওই, মরম অসিনা ভিটামিন "এ" য়াংগা থাঙ্গী [illegible] য়াম্না য়াম্না লেপ্পা কাদৈ। [illegible] মতম চনম প্রায় ১২ গুণাইরগা শঙোম লিটর মথাইগা কৌব কেৌরগা তাক্লবদি ঙমখোইশি লায়না, থাকু লাইকৌ অরীবা, পুক লোং-থীনবা, [illegible] লাক্লা অমসুং কাবাদা য়াম্না কাদৈ। বসাম লিটর মতুং থাঙ্গী চনম প্রায় ২৪ নীংথিনা শুগাইরগা কপূ'র গ্রেন ১২ অম অকথায়রুনা তোংতুনা থম্না মুমিৎ তরেৎনি লৈরগা শুমদোক্লুনা মরী লৌরগা মুংশাদা অনাবদু পুথোকলগা তৈবা', মসিনা থা অনিয়োম তৈরবদি শাথিবা খোঙ-থুৎ পঙথবা অমসুং ঐ চেনবা [illegible] কইরি।

অহানবা চাক চাখৎলকপগী চখোম অমমমদা চনম মনাও অমমম চাবনা চখোম অহুম শাওবদি মুংতিগী চারবদি হকচাং চিক-খোৎপা অমসুং শীথবা কৈ। চনম অসি থাইনদগী তৌবা অহলশিংনা য়াম্না শীজিন্নরমই। নাকোংগী অনাবদু চনম শীজিন্নবা কাদৈ। মতম পূরমক্তা চনম থর থর শীজিন্নরবদি হকচাং চীক-খোৎপা লৈরোই। মুংদাংগী চাক তোক্লবা মতুংদা চনম মনাও অহুম মথিদ' চারগা ঐশিং অশাবা পিনাম অমসুং থরবদি থী কাইদোকহল্লি, ঐশিং পৌবনী, তাং-তাং চিকপা কয়নি।

"[illegible]"

সংস্কৃত :— বলা, হিন্দী :— মহাবেঁই, পিতৌরি

ইংলিশ :— Hornbeam-Leaved Sida

[illegible] [illegible] :— [illegible] চিকপা [illegible] মতু প্রায় [illegible]

নিংথৌখোংনি গ্রাম ২৪, কালিমিচ´ গ্রেন ৮, ঈশিং লিটর মখাক অমদা নৈরগা মিনিট ১৫-১৫ কাঙনা পুং থাক্লকখোমদং চা-চামচ মরি-মারমদং শীথক্লবদি লিনগী তু থাঙজক্লী, কঙ্গিতুরা পুক অহুনা কংখৎলক্লবদি ওখোকহনগদবনি। অতুগা পুং তরাগিখোই তুমকখোইদবনি। অতোপ্পা অমনা মহাক্কী মকুপ অসি ঈশিংগা লোয়নবা শীজিন্নরকপি মুংশিংকী লায়না কৈ। কালিমিচ´পা লোয়মনা শীজিন্নবা অপোম্বা কৈ। চঙ্গ্রো মহিগা শীজিন্নরবদি পুকী লায়না কৈ। কৈগ্রুগ শীজিন্নরগা খোঙ হাম্মী। জিরাগা শীজিন্নরবদি অমাংবা থিংই। ভুচিথীগা শীজিন্নরগা লোকখুংবা কৈ। লাইকৌদনা খোইজিগা হামেঙ মখোমগা কৈ। মঙ্গোলজু কাগা চাওবদি কম্মী কৈ। শলগী মখোমগনা মিৎ কৈ। উহল পাম্বী, মপা, মরু, মশা পুম্নমক্কা গ্রাম ২৪ দং ঈশিং লিটর মখাইদা ফুৎপনা লিটর মখুদং লৌরগা, মহি অতু ঈংহনগা, চা চামচ মঙা শঙ্গেম চা-চামচ মঙা, চিনি অঙৌবা চামচ অমগা থকপনা নোংমদা ভনীরক অহুমলক থক্লবদি কুহু কুমেন মজহল্লি, কম্মী মহল্লি, ঈশিং কেন্না চংপদমু মহল্লি, পুন্সি শাংহনবগী শক্তিম্ন নৈ। থাম্নগী মাইবশিংনস্ত উহল মখোঙদা পুক্কা তৌনৈ অত্তগা ভামুনা উশিনস্ত শিনৈ। মহাক্কী মমিংবু উ-অহল থাম্না থহনৈ। উহলগী মঙ্গোল অসি চাবদা যুবীভম্না ওইনমই, থামনগী মৈতৈ অহল-লমমা মহাকপু হীদাক ওইনা শীজিন্নরমই, করুহ যাম্না ফবা হীদাক্লি।

তাইবং পা-কবা হীদাক

কাম্বা :—সুপী অমত্তুং সুপা অনিথকী কাম্মবা হৌবাক্নি। পাক্কর্ন কনংলি, পূক্নিং সুংঙাইহল্লি, হকচাংগী মসুংশা লৈদ্রিবা শিংলিনচিংবগী চাং কাম্বনা মখৌ তৌহল্লি, মবেক-মহাও থোক-হল্লি, কুচু-কুমেন কজহল্লি, কশী কহল্লি, থাইনদগী অহল-অমনশিংনা শীজিন্নরক্লবা হৌদাক্নি, থীং কহল্লি, কোক ঙাওবা, মৈ, ঙৈশিং সুংশিংকী লায়না, সুংশং, থাকু নাই ভাবা, থবোক্বীগী লায়না, ঙৈশিং থোভনা চাথংপা কৈ। হুং লৈবা ঙৈ-সুংশিং শেংদবা, থুকউ-ভাং চীকপা লাইলৌ লৈবা, অচকপা কংনা কাম্মবা অমসুং ঙৈপাই থিকাই, সুপীগী থাগী ঙৈ: কা হেন্না চংপা; খাংনা চংপনচিংবদা চাং নাইবা চংহল্লি। কিজৌ চংপদসু কৈ।

শীজিন্নগদবা নিয়ম : চাং—চা চামচ ১ দগী ৬ কাউবা ঙৈশিং চাং থায়না থাক্লপা চাক মতুংদা থোংবদা ২য়ক থকদবনি। অচাংশিংগীদমক্তদি চহিগী মতুং ইমা চাং হল্লরপা থোংহৌ থজিকং থাক্লপা পীগনি।

চাকহেন :—মোরোক অশাবা, অশিনবা, থরী, থাউ, অশংবা মনা-মপীং থুনা তুমগদবা পোংনচিংবা চাবা কল্লে।

চাগদবা :—উটৈ অমুনবা, অযাংবা পোং, হমাইমুগ, থোশোন্নী, থাইরোংবী মঙ্গল কংভকনচিংবা চাবা কৈ।

মণিপুর আয়ুর্বেদিক মংথলন

রে: নং ৪/১৯৫৯/৬০
শিংজমৈ চৌংঙা শিঙম (ইম্ফাল)

ন'ম্বা-শা-মা-হীকাক

কান্নবা :—হীদাক অসিনা অঙাংশিংগী পুক কংবংগা, অমস্তুং মথী কায়বা, চাবা ভুমদবা, তীনগী লায়না ঙবা ১স্তুং মশা-শোনবা (খোয়বকলাই চুবা) কিন্নাক-পৈগী অনাবা, মীৎ নাপু কাবা, হৈ মশিং, মুংশিংকী শোয়ভগী মুখিদাং মীৎ উদবা তোপহাও, অমস্তুং ঈং কায়বদা হীদাক অসিনা অঙাংশিংগী-দমক্তদি নোই-পেনহল্লি, ঈং শেংদোকহল্লি, অমস্তুং শোকখুবা কৈ, মশা-শাগংপদস্ত কহল্লি, মসি মথায়নগী অঙাং ময়াং কংবদস্থ মপান নাইদনা কন্নবা হীদাক্নি।

চাং :—অঙাং শা ৬ ভগীনা ১০ কাওবা জোপ ৫ দগী ১০ কাওবা, খোইহী চাং থজিকং য়াল্লগা নোংমদা ৩ লক পীথকনি।

চহি	চাং
১ দগী—২ কাওবা—	½ চা-চামচ
২ দগী—৫ „	১ „ „
৫ „ ৯ „	২ „ „
৯ „—১৫ „	৩ „ „

চহি ১ দগী না ৯ কাওবদি খোইহী থম্ন য়ানশিল্লগা থকনি। চাংদি হীদাকী ½ খোকপা লাপকনি। মশিং চাং য়ামনা য়াল্লগা নোংমদা ২ রক নক্রগা ৩ লক পীগনি।

চাককেন :—অশিনবা, থরী, অমুবা, আলু, অসিনচিংবা থুনা ভুমগন্দবা শোৎ চাবা ফজে।

মণিপুর আয়ুর্বেদিক সম্মেলন
নং ৪/১৯৫৯/৬০
শিংজমৈ চাওবা সিংহ (ইস্কাল)

শাক্লৌ জীরক

কাম্নবা :—মুপীশিংগী থাগী খোঙচৎ কায়বা, চনীংদা য়েকপ-নচিংবা, মতম চোংনা ঈ-লাকপা, থা ১গী মনুংদা ২ য়ক লাকপা, থা ২/৩ লেপ্লগা, লাকপা থ্বাং নাবা, থবাক নাবা, থজিন শাওগৎপা, লেংব, ঈ লিক্লা চৎপা, য়াং কংশিনবা, ঈ লাক্লমদাইদা অঙৌবা উবা, অমস্তং উমশাগী চাথৎপা লায়না, ফুরি-ক্রয়াং অসিনচিংবা লায়না কহল্লি।

মীয়োলবীশিংনা মশা মুংঙাইতবা, চাবোকপা মতুং মুমিৎ ৩নিগী মতুংদা লাকপা পুক চপ্রেংগী লায়না, অমস্লং ঈ লায়হৌ কৈ। ঈমল চথোকহল্লি, থোড-হুৎ শাবা কহল্লি, হীদাক'সি থায়নগী কুইরবা অমাইবশিংনা শীজিম্নপ্রবা মাইবগোন পুয়াদগী পুথোক্লুনা শেম্মনি। থকপদা য়াম্না কাম্নরবা শক-চু থোকহনবা ঙম্বা হীদাক্লি।

থকপগী চাং :—চা-চামচ ৩ দগী ৪ ফাওবা ঈশিং অঙৈংবগা চাক মতুংদা মোংমদা অনিরক থকদবনি।

চাকহেন :—শিং, মোরোক অশাবা, থাউ, চজিক, চিনি অঙাংবা, অশীনবা, উতি নচিংবা চাবা য়াদে।

চাগদবা :—অয়াংবা থুনা ভুমগনবা পোৎশিং চাবা য়াই।

মকম :— মণিপুর আয়ুর্ব্বেদিক সম্মেলন,
রেঃ নং ৪ ৫৯/৬০
চৌংঙা পিঙম—(শিংজমৈ, ইম্ফাল)

शानी हीदाक

मणिपुर आयुर्वेदिक सम्मेलन रे: नं ७ - ५९।

उपयोग :—स्त्रीयोंके लिये अधिक लाभदायक है। ये पीलापेंडू [illegible] पेट दर्द, जीमिचलाना, अधिक देर तक रक्तस्राव होना, [illegible] महिनामें दो बार होना, २ और ३ महिनाके बाद होना, [illegible] दर्द, छातिका दर्द, पेतको गड़-बड़ी, रक्तप्रदर, [illegible] हाथ-पैरोंके जलन, कमजोड़ होना, प्रसुताके ३ दिनोंके बाद [illegible] पीड़ा, उपदंश, और इसके उपद्रव, वातरक्त, मुत्रकृच्छ, [illegible] दोष, फोड़े-फुन्सियों आदि रोगोंको नष्ट करता है। यह [illegible] रक्तशोधक, रक्तप्रसादक, मूत्रशोधक महौषधी है

यह दवा कितनी पुरानी है; ये मणिपुर वैद्योंने बहुत सालसे हो प्रयोग किये आये है यह (मणिपुर [illegible] पुथिसे) निकालकर बनाये गये हैं। इसके अत्यधिक गुण है।

मात्रा :— १ चायके चामच से ४ चामच तक सम-भाग पानी मिलाकर दिनमें दो बार भोजनके बाद।

हलका, सुपाच्य चीजोंको भोजन करें।

परहेज :—खट्टा, लालमिर्च, तेल, गुड़, कबाब, और खटाई इत्यादि चीज।

मणिपुर आयुर्वेदिक सम्मेलन, की का पिशुम—(ख्रोंकबी इम्फाल)

इम्फाल

অরানবা চুমথোকপা

পেজ	অরানবা	অচুম্বা
৭৩—নাগকেশর	Mesuaferra	Mesuaferr
১৮—থরাই তাবগী শাবেন	Sorca indica	Saraca Indi
১৮—মাংহেন বা	Termiualia Arjuna	Terminali Arju
২৮—ঐ থনাহি	Myrosalan	Myrobal
[illegible]—মনাহোংনাং	Sacred fig	Popular Leav Fig Tr
৮১—অবোমী ঘরৈ	Piper longum	Long pep
৮৬—মনাহিদাক	Irias	Irias



লেখকগী থোকখ্রবা লাইরিককশিং :-

১। লামাই লায়রেং লাইরিক

২। মণিপুর আয়ুর্বেদ চেকোঙ

১মা, ২শুবা, ৩শুবা

৩। অমাইবা অহলগী পাঙথাক

৪। চীঙদা শাংগী ইথেরৈ।

থোইদোকপা পাউজেল :—

পুম্না অসিদগী লোথোক্লুনা শেমজবা থাইবঙ শাকপা হিদাক, মুপী-নাহা, অহলশিংগী অতুপা নাবা শাকহিদাক অমসুং মশা-মতৈ ফত্রবশিংগীদমক অমদি শালৌ হিদাক থৌরাংজরে। জাতিগী খুল্লা শিন্নজরি। ইরৈবাকী পোথোক্নি, ইপা-ইপুগী মমল নাইদবা মণিনি। চাং যেংবীয়ু।

শ্রীমেঘাসিং, কবিরাজ।